নুংলোন

ইথোকচবা :

ইরোম অমুবী সিংহ, পণ্ডিত

অফোঙবা :

নিংথৌমচা মণিস্না ।

নূংলোন

—:(✱):—

ইথোকচবা :

ইরোম অমুবী সিংহ, পণ্ডিত
খাগেমপল্লি পন্থক্।

মঙ্গল লুপা ৩/-

ফোঙজবা :

নিংথৌমচা মণিস্না,

কৈবুং।



অহানবা খুৎনম,

কপী ১,০০০।

[illegible]

[illegible]

মুদ্রক :— বিদ্যাপতি প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী ৱার্কস,

লিরা নাওরেম লৈকাই, ইম্ফাল।

ৱাহৈ খরদং

নূংলোন, মৈতৈ জাতি অসিগী থাক্কনগী অহল-লম্মনশিংনা অরিবা মৈতৈ ময়েক্তা ইরম্বা পুয়াশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা মমিং লৈরবা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী মনুংদা তাইবং পানবগী মপুনা লৈশেম্লকপদা অহানবা পুথোকখিবা লাইশিং অদুনা লৈশেম্লকপদগী মথং মথং লাই খুদিংনা হি-য়াই শুইবা নুং ৭/৭ শেমগৎখি। নূংশিং অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীশিংগী মফমদা থিজিন-হমজিন্দুনা মহুবু ঈরাৎ পূজা তৌরগা কাননবা ফংথদবা ৱারোলশিং অদু মচা তানা শুগায়না লৈফম তাদুনা ইরি। অসিগুম্বা নূংলোনগী লাইরিক অসি নূংলোন থম্বাল, নূংলোন থ্রা হায়বা মথক খরগী শুইবা নুংলোনগী ৱা তাবা ফংই অদুম শুইনমক লাইরিক অসিদা নূংলোন থম্বাল অমসুং নূংলোন প্রাগী মক্ক কয়ু পূন্না ইরম্বা অসিনা নূংলোনগী মরমদা নুং মথক ২০৬৩ পোক্রম্বগী ৱা ইরি। মসিদা নূংশিং অসি কররম্বা মথলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি। অসিগুম্বা অহল-লম্মননা থম্বিরম্বা লাইরিকশিং অসিবু ঐখোয় খুদিংনা পূননা থঙমিননিঙবগী আশাদা লাইরিক অসি পায়থক্তরুবনি। মসি ফোঙনবা হোৎনবদা মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী অচৌবা মতেংগা লোয়ননা বিদ্যাপতি প্রিন্টিং ৱার্কসকী মনেজর, শ্রীইবোপিশক সিংহ অদুগা ঐগী ইনাও শ্রীও, ভোগেশ্বর চিংবগী অচৌবা মতেং কয়ামরুম ফংজখি। পুম্নমকী মফমদা শিংঙমদ্রবা লম্নন তৌনশিগ্রবি। লাইরিক অসি বাঙ্গালা ময়েক্তা ওন্থোক্লকপদা অশোয়-অঙাম কয়াসু য়াওরমগনি। পুম্নমক অসি সাহিত্যবু নুংশিবা ইচিল-ইনাওশিংনা পাবিবগা থেংনবিরবদি তাকপিরকপা পুম্নমক তুংগী খঙ্‌নমদা চুমথোকচগনি।

হায়জরবা —

ইরোম অমুবী, পণ্ডিত।

"নোঙ্লুকচবা"

'নূংলোন' লাইগী মশক্ ওইরবা মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা মৈতৈ ময়েক্তা ইহুনা থম্মীরম্বা পুয়াশিংগী মনুংদা খোইদোক্লা মমিং লৈরবা লাইরিক্নি। লাইরিক্ অসিগী মনুংদা তাইবং পান্বগী মপুনা লৈশেম্লক্পদা প খোক্খিবা লাইশিং অহুনা লৈশেম্লক্পদগী মথং মথং লাই থুদিংনা হি-য়াই ওইবা নূং ৭,৭ শেম্গংখি। নূংশিং অহুবু লৈবাক্ অসিদা লরিবা মীশিংনা পিজিন্-হুম্জিন্দুনা ইরাৎ পূজা তৌজগা কানবা ফংগদবশিং অহু মচা তানা শুগ ইনা লৈকম্ তাক্-তুনা ইরি। লাইরিক্ অসিদা নূংলোন থম্বাল, নূংলোন থ্রা অমস্তুং নূং মথল্ ১০৬৩ পোক্রম্বা ব্রা ইরি। লোয়ন-লোয়ননা নূংশিং অসি করম্বা মথল্গী শক্তি চেনবগে অমদি মফম্ কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বতু কাপ্শিং-লম্ শং পন্দূনা নীংথিনা তাক্লি। ইপা ইপুশিংনা থম্মীরম্লবা লাইরিক্ অসিবু তাইবং ওইবা থুদিংনা পূম্না খঙমিন্ননীং-বগী রাখল্দা লাইরিক্ অসিবু বাঙ্গালা ময়েক্তা ইরোম অমুবী সিংহ, পণ্ডিতনা শিন্দোক্পীরেনো। পীবীরক্পদগী ফোংদোক্চবনি। বাঙ্গালা ময়েক্তা ওন্থোরক্পদা অশোয়বা য়াওবা থেংনবীরবস্তু লৈবাক্ মীয়াম্না তাক্পীরক্পা পুন্নমক্ তুংগী খুৎনম্দা চুম্থোক্চগনি।

ফোঙদোকচবা —
নিংথৌমচা মণিস্না,
কৈবুং।



শ্রীইরোম অমুবী সিংহ

কমেং চাউবগী কুম—

শকাব্দ ১৮৩১ যাইরেল থাগী ১১ নি পানবা

নোংমাইজিং হুমিত্তা পোকই

নুঙলোল

—:(O):—

হুম হুম হুম উং হে খোইয়ুম লাইনিংথৌ। অতিয়া উংলৈহুং অমমবা। য়াইবা ম্যাগী লিহুইকম অথুপ্পা। পোকলেন য়াইবীরেন চীকথোইবা। উংলৌ য়াইবীরেন শিদবগী ইহুইকম। হুংগোন য়াইবীরেন চীকথোইবা। অরাং নোংফুরেন মহুমহুং। হুমলেন য়াইবীরেন শিদবা মরিমাদা য়াতাবা। ওঁথি লাইজ ইকমলেন চীকথোইবা। থাকপা তেংলোই নাইনা। অতিয়া য়াইবীরেন শিদবগী। মরি লিতিম্নবা। লাইনিংথো-ও।

চীংঙু অমমবা। অথুপপা অহুমমাদা য়াহিপপা। থকী লাইনা থাকন ওইনবা। থাগী লাইনা সনা তাংবল ওইনবা। মচুবু থাম্বী মৈতরেং অঙাংবগুম ঙাম্লিবা। হে গুরু শিদবা নংনা নতোমত্তা নীংশিংলক্কুনা। লৈপাক শেমগে হায়তুনা। মহাক্কী লাই অচৌবা মরিমাবু কৌথোক্লে। মরিমাদা শিম্নরে। পারি নথোয় মরিমানা। লৈপাক শেম-ও। হায়না শিম্নরে। মথোয় মরিমানা তিম্নরবগা। থৌদানথিএ। অঙিংকোক গুরু শিদবা নওনা। সনা চীং সুমেরু ওইরো। মরিংদি চিকিং হিঙ কোওএ।

অতিয়ানা। তাওরোইনাই শিদবা কৌনা। ঈশিংদা তাউরে। মমিংদি ঙাহিং সনা কোনথাং কৌএ।

অসিবা গুরুনা মমিং লৈহকলেন য়াসাবা কৌনা লৈপাক শেম্মে।

কোনজিন তিংথোকপনা। মমিং লৈথিনগাই লৈচাইবা কৌনা। সুংথিং হারাবা কৌনা শাম্মে। অসুম্মা লাই মরিমানা লৈপাক শেম্মে। লৈথারোন মাপল শেম্মে। নোংথৌ মরোল মাপল শেম্মে। [illegible] মাপল [illegible]। [illegible]রাই অহুম শেম্মে। চিথেক মরি শাম্মে। [illegible] মরি [illegible]। কিশি মরি কিরে। অসুম্মা [illegible]।

[illegible] মসি [illegible]। হী-য়াই মুঙ। [illegible]ই পোক্রপা। [illegible] [illegible]। [illegible] খঙনবা হায়গে। নবুক তপ্পা তাউও। [illegible] [illegible]ও। [illegible]চেৎপা রানে। খঙনবা হায়রকে। গুরুগী মুঙ তরেৎনে। মচু হিগোক্নী [illegible]। মমিংদি হী কৌএ। লৈমরেনগী মুঙ তরেৎ থোক্লে। [illegible] [illegible] [illegible]। লেনগী মচু [illegible]। মমিংদি [illegible] কৌএ। [illegible]কোক্নী মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু [illegible]। [illegible] কৌএ। [illegible] মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু ঙাংনা [illegible] [illegible]। [illegible] কৌএ। কোনজিন তুংথোকপগী মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু [illegible] [illegible]। [illegible] কৌএ। [illegible]গী মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু [illegible]। [illegible] কৌএ। কোরৌগী (কৌক্র) মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু [illegible]। [illegible] কৌএ। [illegible]গী মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু [illegible]। য়াই কৌএ। রাংবরেনগী মুঙ তরেৎ থোক্লে। মচু শংনা

[illegible]এ। য়াই কৌএ। মাবাক্টীগী মুঙ ভুরেং থোক্লে। মহুনা তাংনা [illegible]এ। য়াই কৌএ। লাইরেম্বী মুঙ ভুরেং থোক্লে। লাই-[illegible]গৌ মাপুলমাক্কী মুঙ মাপানে। মপনা লাই চামানে। মুঙ ২[illegible] পোক্লে।

[illegible]। য়ারম অমা হায়গে। তাওরোইনাইনে। লিন-[illegible]রেয়। মনি য়ানা। তাংশঙগীদি মখা। ঈশিংগীদি মথক্তা মনিংদি হুঙমু মমদবা মাওদরা ক্লোনা লৈরে। মমিংদি। তাউ-[illegible]রোইনাই কৌএ। মতুগী মথক্তা। তাইবংপানবা মপু শিদ্রবনা। হী-মরু শিদবরু য়েত্থা প্রায়। য়াই মরু শিদ্রবু। ওইদা পায়। [illegible] নাদ্রবু য়েংনা নেং। [illegible]নাং নাদ্রবু। ওইদ্রা নেংনা লৈএ। [illegible]রেন্ন শিদরী[illegible]। হী মনিক শিদ্রবু য়েত্থা পায়। য়াই মনিক [illegible]বু ওইদা পায়। মক্তা য়াই মরুবু য়েংনা নেং। মনি হী মরুবু [illegible]না নেংনা। [illegible]রেন গুরু অনিত্রা লৈএ হায়বগীবু। কংলৈ-[illegible] মখোন। [illegible] মমদোংপান্ন কুংলা থোনতুরেং থোল্লাংমৈ। [illegible]রেন [illegible]রাবা চীং। লাংশঙ চীংময়োলও কৌএ। নেংলিবা [illegible] মনি নাপি। মমিংদ্রি। থুরা চেংগু য়ুচেং য়ুহা কৌএ। [illegible]দি চুপন্নে। [illegible] তোরবুদি। ওককী ঈনা ভাইও কৈএ। মথং [illegible] য়াই কৌরা [illegible] অমা লৈএ। মশক্তী মীগী মশক্লে। [illegible]এ। [illegible] মোইরাং পাংএ। মহাক্তী থুক খুদক্তা লৈএ। মমিংদ্রি। থাংজিং [illegible]এ। মথং [illegible] য়াই অমা লৈএ। [illegible] মীগী মশক্লে। [illegible] মুইএ। মমাক [illegible] পাংএ। মমিংদি [illegible]রেন কৌ[illegible]। [illegible] মমদা। য়াই কৌবা মুঙ অমা লৈএ।

মশক্তী মীগী মশক্লে। মচু ঙাংয়েকনৈএ। মমিংদি। মারচিং কোএ। লিল্লমগী সুমদা। য়াই কোবা হুও অমা লৈএ। মশক্তী শামুগী মশক্লে। মওংদি মীনে। মখোঙ কারল্লনা ফল্লিএ। মচু মুইএ। লাই মরিমা অসিদি চুপনে। মমিংদি। করিনে। করানে। নোংদমথুবা। নোংদম হনবা কোএ। হুও মরিমা অসিস্নুং চুপ্লে। ঈরাত্তী ওক্লা লাংও। মথাগী লাংজৈদা। নোংহাইপা য়াই অমা লৈবনে। মশক্তী। মীগী মশক্লে। মচু ঙাংএ। মহাক্তী। তুবী উম্রে। মাগী ঈরাত্তি। কৌজেং ওকসাবী তরেংকী মকোক্লা লাংও ফৈএ। মথং কাদা। নিংথৌ কোবা য়াই অমা লৈএ। মমিংদি নোংপোক কোএ। মিংথৈদি। মিক্লতোংবা কোএ। মশক্তী লাইশক্লে। মচুদি য়াউএ। মাগী ঈরাত্তি। য়েনগী ঈনা লাংও ফৈএ। মথং কাদা। লোইয়ালাকপা কোবা য়াই অমা লৈবনে। মশক্তী লাইশক্লে। মচু মেমালে। ঈরাত্তি ওক্লা লাংও। মমিংদি লেনখোমবা কোএ। মথং কাদা। য়াই কোবা হুও অমা লৈএ। মশক্তী য়াংকোককুম কোয়এ। মমিংদি। সী রোং সা ওং নাউরিক কোএ। য়েল্লা লাংও ফৈএ। মথং কাদা য়াই কোবা লৈবনে। মশক্তী মীশক্লে। খোইরীনা থাওমৈএ। মানা পাং মান্নরুবনে। মানা পাং মানা কোরিনে। মখোঙদি শেল্লে। মচুদি অঙৌবনে। মমিংদি। হীকসনা নোংতরেন খোংবা কোএ। মাগী ঈরাত্তি। ইরোই অঙৌবনা লাংও। মখোয় অসি খৈবিকস্নুং। মমায় ঙল্লা ওহোকপনে। কংলাগী নমথাংদা। য়াইসা চাংবীনা লৈএ। মশক্তী। লাইশক্লে। মচু সনা অহিংবগী মচুনে।

ময়ায়দি। অসিবা গুরুগা মাস্নেক্লৈএ। মাগী ঈস্নাত্তি। য়েন অঙাংবনা লাংও। কৈএ। য়াইরৈংমদি ওকশঙগী নেংপোক থংবা। লাংশঙদগী নোংচুপ পাংবা ময়ম অচৌদা লৈএ। মচুদি ঙাংনা লৈ মায়ে। মশক্তী লাইশক্লে। ঈরাত্তি। শবীগী ঈনা লাংও। কৈএ।

লাইরেম্মমা শিদবীগী মখোঙ কাকনা লেপলে। মখোঙ কাকপগী ময়ায়দা জুঙ নামু বি কোৎনা লৈএ। মমায় নোংপোক ওললে। মচুদি সনা অহিংবগী মচুনে। ঈরাত্তি ওকনা লাংও। মমিংদি লাইরেন শিদবি কৌএ। লৈমরেল কম্বাল বা কৌবদি অসিনে।

মখোয় অসিগী মথাদা লৈবদি। জুঙবিগী মথক্তা। শাংমুগী মশককুম্বা লাই অমনা পুরিএ। মথক্তা ওক্তী মশককুম্বা লাই অমনা পুরিএ। মথক্তা থেঙ্গুগী মশককুম্বা লাই অমনা পুরিএ। মথক্তা শরেংগী মশককুম্বা লাই অমনা পুরিএ। মথক্তা অসিবা গুরুনা সোরা অহুম ওইনা কাবা লৈরে। থঙও।

কংলাগীদি অসিনা থৈরে। হৌজিক্তি ওকশঙদা লৈববু হায়রবে। ওকশঙ চবুক কারম্বা লৈবনে। মচুদি লাইনিংথৌনা হিগোক মানলে। লাইরেম্মমানা সনা অহিংবনে। অনিমাগী মমিংদি। অমনা পাখংবা কৌএ। অমনা লাইসনা কৌএ। অনিমাদি ওকনা লাংও। নিংথৌ পুজিএ।

কৌপাক্রু পুমদা য়াই কৌবা জুঙ অমা লৈএ। মশক্তি লাইশকনে। মচুদি বাওথাঙনয়ে। মমাংদি কৌপাক্রু পাংএ। মমিংদি

কৌপয়েল কৌএ। তামেং অঙৌবনা লাংও কৈএ। মোইরাং চিথেক্কা, য়াই কৌপা হুঙ অমা পৈএ। মচুদি ঈশুম ঙাংএ। মওংদি হোৌদোংনে। মশক্কি মীনে। মমিংদি খোংনাং অরিবা কৌএ। মমায় মোইরাং পাংএ। য়েন অঙৌপনা লাংও। লৈ-পাক ময়া তপএ। মৈরমগী সুমদা হী কৌপা হুঙ অমা লৈএ। মওংদি ঙাগী মওংনে। মশক্তি মীগী মশক্লে। মচুদি লৈচিননে। মমায়দি ঈগুম ঙাংএ মমায় মৈরম পাংএ। য়াংবয়েল কৌএ। ওকনা লাংও। নিংথৌ পুন্সিএ। চিথৈ সুমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈএ। মওংদি শগে.লঃনে। মশক্তি মীশক্লে। মচুদি লাংএ মকোক্তি শংএ। মমায়দি লাইজি পাংএ। মমিংদি চিথৈশনা কৌএ। য়েন অয়াংপানা লাংও। হাও ঙমএ। অবাং লাংজৈদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈপনে। মওংদি মীনে। মশক্তি ষণগী মশক্লে। ময়াইবক্তা মচি হোৌএ। মচুদি ঙাংনা লাংএ। মমায় অয়াং পাংএ। মমিংদি অম্বুবা কৌএ। ইয়োইনা লাংও। লৈপাক কৈএ। মথা লাংজৈদা হী কৌপা হুঙ অমা লৈএ। মশক্তি শা মরক ঙা ময়কী মশক্লে। মম.য় থা পাংএ। মাগী ঈ য়াত্তি শারম-ঙারম তোৎনা লাংও। নিংথৌনা হুৎকোকলাই থুংবদমুং কোকএ কৈএ।

মথং কাদা য়াই কৌবা হুঙ অমা লৈএ। মশক্তি মীশক্লে। মচুদি নাপুনে। মমায় নোংপোক পাংএ। ওকনা লাংও কৈএ মথং কাদা য়াই কৌবা হুঙ অমা লৈএ। মশক্তি শাগী মশক্লে। মচু উকক মানলে। মমায় নোংপোক পাংএ। ঈ অমনা লাংও।

লৈপাক মুংঙাইএ। নিংখৌ পুন্সিএ। মথং কাদা হী কোবা মুঙ অমা লৈএ। মশক কোইএ। মওং নাইদে। মচু দি নাপুনে। মপ লাংও। মমায় মোংচুপ পাংএ কৈএ। মথং কাদা য়াই কোপ। মুঙ অমা লৈএ। মশক্তি শামুগী মশক্কে। মচু দি অয়াউবা লৈচিয়ে। মওংদি মীনে। মমায় নোংচুপ ওয়ে। মমিংদি লৈখিনবা কোএ। ঈয়োই অঙৌপনা লাংও পুন্সিএ। লৈপাক কৈএ। হায়খিপা অসি খৈপিকতো। ঈ থকপা ল্যাইনে। ঈ হৈও। ওকপওগীদি অসিয়া খৈয়ে।

মোইয়াংগী চিখেক্তা চৌত্রিপুঙ কোপা লৈপনে। য়াই কোপা মুঙ অমা লৈপনে ঙাঙ্গাএ। মমিংদি থাংজিং কোএ। ঈয়াক্তি ঈ অমনা লাংও কৈএ। মীবু ঙমএ মথংদা ভাখোমপুঙ কোপা অমা লৈপনে। হী কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মচু দি ঙাংনা ল্যাংএ। মশক্তি অমমবগী মশকনে। এংপা কিএ ঈয়াক্তি ওক্সা লাংও মীপু লোইচনপা ঙমপনে। মথংদা হুইমু লৈমগী মকমদা। য়াই কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মচু ঙাংনা লাংপানে। মমায় মোইয়াং পাংএ। ঈয়াংক্তি য়েনগী ঈনা লাংও। ময়োল লোনপা ঙমএ। মোইয়াং চুখেকীদি। অসিনা খৈয়ে খঙও।

কংলাগী মৈয়মদা। পুঙ অমা লৈবদো। মমিংদি চহুই পোকপি কোএ। অহুদা হী কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি ল্যাইশক্কে। মমায়দি মৈয়ম পাংএ। মচু দি শংএ। হুইগী ঈনা লাংও কৈএ। মথংদা পুঙ অমা লৈপনে। মমিংদি বাকয়ন পথোং কোএ। অহুদা য়াই কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মমিংদি হিংসনা

কোঅ। মশক্তি হিংচাবগী মশক্কে। মমায়দি মৈয়ম পাংঅ। মাগী ঈরাত্তি য়েন অমুবনা লাংও। মৈরমদি অসিনা খৈরে।

কংলাগী লাইজিদা পুঙ অমা লৈপনে। মমিংদি খুরাইপুঙ কোঅ। লাইনিংথৌ পাঙ্গনবগী থুকমনে। অহুদা য়াই কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মচুদি লৈচেংগী মচুনে। মমায়দি লাইজি পাংঅ। ঈরাত্তি য়েমা লাংও মীপু ঙমঅ। মথংদা পুঙ অমা লৈবদো। কেকুপাল কোঅ। অহুদা য়াই কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মম'য়দি মীগী মশক্কে। মমায় চিথৈ পাংঅ। থুংতা থাঙশাং শুইঅ। ঈরাংত্তি যণ অঙৌপনা লাংও। মীপু ঙমঅ। মথংদা পুঙ অমা লৈপনে। মমিংদি খুরাই পুঙ কোঅ। অহুদা হী কোপা পুঙ অমা ‑লৈপনে। মশক্তি মীশক্কে মমায় চিথৈ পাংঅ। মচু লা'না ঙা'অ। ঈরাংত্তি য়েন-হুইনা লাংও। চিথৈগীদি অসিনা খৈরে।

কংলাগী কোপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কোঅ। অহুদা য়াই কোপা মুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোক্কে। মশক্তি মুওক্কী মশক্কে। শা অমগী ঈনা লাংও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কোপা মুঙ অমা লৈঅ। লাইশক্তি শামুগী মশক্কে। মচু মুইঅ। খুরু থুদক কুমা লৈঅ। উহৈদে। উয়বদি লৈপাক তাকঅ। ওক্কী ঈনা লাংও। কোপরুগীদি অসিনা খৈরে।

কংলাগী নোংপোক পাংপা লোইরেল সনাপুঙদা। তাইবং-পানপা মপু কুরু সিদবনা লৈঅ। থাগী লাইনা সনা তাংবল শুইঅ। থক্কী লাইনা থাকল শুইঅ। মখোঙ অমিমানা লৈম্নেল মাপনমক

ছুনা লেংলে। মকোয়ম্বা লোংংৈ মরোল্ল মাপন্নমক্ত ছুনা লৈএ। মমায় নোংছুপ প্লাংই। মনাকা তাংখু ভ্রাংহন্ন মঙি মালা। লৈক্লুং ফেন্ন শুবনা। অমমা মক্ক লুক্না কুরুগী খোঙপী য়েংএ। অমনা মরাই লোংখুৎনা কুরুগী যিংচি যেংএ। মশক্তি মীগী মশক্তে অনি-মানা কুরুগী মকমদা। মালং জুংশিং চক্কুরোই। মীয়াই মানা চঙমরোই। পোংলাই মানা তনকুরোই। মুচোনা নিকরোই। মুহানা হাকরোই। মুঙমি হুংলোই কনাগুমনা নিকুনি হায়না তাক-লিয়ে। অনি মাবু লাংপদি ওক্না লাংও। কুরু লাংপদি মম্না লাংও। লৈপাক কৈয়ে। নিংথৌ পুন্সিয়ে।

পাখংবগী য়াই ১৩ দি চংলমদা লৈপনে। ঈ চাবা লাইনে। ঈনা লাংও মীপু ঙম্মে থঙও। কংলাগী মৈরমদা কাপ্লোনগীদি মথাদা। লম অহুমগী মতমদা হুঙগী পোলাং অমা লৈপনে। অহুদা লৈমরেল কুরু ২মানা লৈপনে। মচুদি অমনা চাংয়ে। অমনা-ক্লোয়ে। মশক্তি ভাহু থঙোংগী মশক্তে। ঈরাক্তি ওক্না লাংও।

অমস্তুং হায়রগে। পাখংবগী থাঙজেংগীদি লৈরম চিখেক্তা। কুরুগী থাংচেং কৌয়ে। অহুদা লৈমরেল কুরু অনিমানা লৈপনে। মশক্তি মীগী মশক্তে। অমনা মুই অমনা ঙৌই। অনিমা যম্না লাংও। নিংথৌ পুন্সিয়ে। অতুগী মৈরমদা খুহুপ ভরা মথায়ুগী মত্রমদা যণ-ছুকুম কৌপা লৈপনে। অহুদা য়াই কৌপা হুঙ অনি লৈপনে। অমদি মীগী মশক্তে। মচু শংয়ে। পাপা প্লোকুয়ে। অমদি মশাগী লিনে। মকোক্তি হুইগী মশক্তে। মানা তেলহ্না পোকয়ে। মচু ঙৌই। অনিমাগী ঈরাক্তি যণগী ঢুনা লাংও। যণছুকুম ময়ায়দা

লৈবদি। ভাউয়োয়নাইগী মরৈনা নুঙগী মশককুম য়ারিএ। মচু শাবনে। মরাক খুত্নপ অমনে।ময়ুং শা-কুইবনে। কংলা লৈশা ঈ ভাকম কৌপদি অহুনে থঙও। কালদোনগী নুঙকাল তুপশাবা অচৌদি লাইরেল শিদবগী লুডোননে। অত্যা কুরুকী কমকমনে থঙও। ওইরমদা ভাওয়োয়নাইনা কমএ। য়েংলমগী পনজিদা অসিবানা কমএ থঙও। মথাদা তিঙোয় চীং কৌবা কুচু লৈবনে। কুচুগী চিথেক লাইজি থংবদা। য়াই কৌবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্লে। মমায় নোংপোক পাংএ। হেক য়েংবদা অফিবগী মশক্লে। মমিংদি লৈমেবা কৌএ। মথুংতা কোরি শাজৈ মাপন কাংবা পায়এ ঈনা লাংও। য়ায়েল চুম্বনে। মোইরাং চুথেক্তা লৈবদি। মশক্তি মীগী মশক্লে। মহাক্না থুংগু থুংলায় থৈবিক্তো শংলিএ। অচুবু শাশং থানকম কৌএ। মৈরম চিথেক্তা হী কৌবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্লে। মথুক্তা শেলগী কাতি পায়দনা। মানা য়াথং অয়ানববু চপকে ভাইরিএ। মথং কৌপরু চিথেক্তা হী কৌবা নুঙ অমা লৈপনে। মশক্না লাইশক্লে। অসিদি ওক্নী ঈনা লাংও। য়ায়েল চুমএ। নিংথৌ পুন্সিএ। লৈপাক নুংঙাইএ। নমথাংদা কুরুগী নমলি লৈএ। মথাদা কুরুগী থবাকপু লাইয়িয়েননা মকৈবু ময়ানা চিক্না কোললিএ। কুরুমক্লে শন্দংগী ঈনা লাংও। অহুম মাগী মমিংদি হো লৈ শংবু লৈফা কৌএ। মমাং নোংপোক্তা য়াই কৌবা নুঙ অমা লৈএ। মশক লাইশক্লে। মানা মথুক্তা শিঙ পায়দনা য়ারিএ। মাগী ঈয়াত্তি হামেংগী ঈনা লাংও। লৈপাক চাউএ। নিংথৌ পুন্সিএ। মমিংদি মীকিং

সনা শিংগুবা কৌএ। কুচুগী মোইরাং থংবা চিথেক খুত্থপ অমিগী মতমদা লময়েং চীং কৌবা। শাপোংচীং কৌবনে। অদুদা হী কৌবা সুঙ অমা লৈবনে।· মশক্তি মীগী মশক্কে। মমায় লাইফি পাংএ। মীগী ঈরাত্তি হইগী ঈনা লাংও। ভিংগোয় চীংগী লাইফি খুত্থপ অহুমগী মতমদা য়াই কৌপা সুঙ অমা·লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মচুদি শংপানবৈএ। মমিংদি পাম্বোইপী কৌএ। ঈরাত্তি ঈ অমনা লাংও। অদুগী চকোয় লৌকম কৌএ। ওকশগী নোং-চুপ থংবদা খুত্থপ অনি মথায়গী মতমদা। কুরু অহুমগী খুকমনে। নিংথৌগী য়াই থাকয়ে নীংবা থুংএ। শোয়দবা কমথিনে। অদুগী অরাং পাংনা। খুত্থপ মঙাগী মতমদা। মায়াং পানকোকম লৈবনে। অদুদা য়াই কৌবা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মানা ময়াং পোকপা সুঙনে। মাগী ঈরাংত্তি। হাঘেংগী ঈনা লাংও। মমিংদি বারংহক। অদুগী মনাক্তা মরাংপুঙ কৌপা লৈপনে। অদুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মচু ভৌথাংনৈএ। মানা থাগী পোকয়ে। ঈরাত্তি য়েন্না লাংও। থাগী ঙমএ। অদুগী মনাক্তা খুত্থপ মরিগী মতম। নোংপোক লমদা কৌজেংপুঙ লৈবনে। অদুদা হী কৌবা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি হংকোক্তী মশকনে। য়েনগী ঈনা লাংও। লৈ-পাক কৈএ। উশোয়গী মৈরমদা খুত্থপ মঙাগী মতমদা। তাকুপচীং কৌবা লৈপনে। মানথক থায়াইলোক নীংশোং মোবীলোক থানিং লোনবা চীং কৌএ। অদুদা হী কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীগী মশকনে। মহাক্তি কুরুনে। যণগী ঈনা লাংও। নিংথৌ

পুন্সিএ। লাংমৈপুং থাইজিনবা খুদুম নিফুগী মুক্কদা। মৈরাচৌংগী ক্লোবা লৈবনে। অদুদা য়াই কোবা হুঙ অমা লৈরনে। মশক্তি থাইশকনে।

কংলৈগী নোংপোক্তা খুদুম ১৪ গী মতম্দা। থুগাওপাৎ লৈপনে। অদুদা হী কোপা হুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি থুনে। লৈমরেলনে। ওাতুগী ঈনা লাংএ। লৈপাক ভগএ। কংলাগী চিথেক। উশোয়গী মৈরম অনিমাগী মরক্তা। সনাগী সঙ্গাই লৈবনে। মতুংদা য়াই মরু শিদব হুঙকী লৈবনে। অতুগী থাই-বঙপানবা মপু শিদবনে। থকী লাইনা থাকন ওইএ। থাগী লাইনা সনা তাংবল ওইনা লৈএ। লাই থৈরিকনা থল্লিএ। মশক্তি লাইশকনে। মমায়দি মৈরম পাংএ। মচুদি মৈরিকী মচুনে। ঈরাংথি যণগী ঈনা লাংও। মমিংদি ও কৌএ। অদুগী ক্লোপক পাংবা লম। উশোয় কায়ননে। অতগী মোইরাং পাংবা লম খুদুম ৪ মথায়দা ঈ কোবা হুঙ অমা লৈবনে। মশকত্তি লাইশকনে। মমায়দি লিকলম পাংএ। মমিংদি ক্লোহু কৌএ। ঈরাত্তি ইরোইনা লাংও। উশোয়গী লিকলমদা হী কোবা হুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। অসিসু মমায় লিকলম পাংএ। মমিংদি কোপরু কৌএ। উন তরুক রাউতরুক ঈরিবা লাইনে। কিকোবসু মানে। ইরোই অঙোবনা লাংও। লৈপাক হুণ্ডাইএ। নিংথৌ পুন্সিএ। উশোয় কোপত্তি। অদুনে।

অমনা সনানা মহৈ য়াননে। অমনা চাকলিক ক্লোঙা পাল্লে। অমনা নোংথৈ পাল্লে। শুংদ্রাই অহুম রাদি। লৈমরেলনে। ওক্লা

লাংপন্থং য়াই। মণনা লাংপন্থং য়াই। লৈমা নিংথৌ পুজিএ। লৈপাক গুংঙাইএ। উশোয়গী নোংপোক পাংবা থুহুপ ভরুকী মতমদা। কুরু অহুময়াগী থুকয়ে। অহুদা হী কোপা সুঙ অমনে। য়াই কোপা সুঙ অমনে। মনিক কোপা সুঙ অমনে। অহুমমা অসিগী মশক্তি মীগী মশক্কে। অমনা ঙাংএ। অমনা ঙৌএ। অমনা শংএ। অসিদি মঙাং, লুরাং, থুমল অহুম মানে। ওক্সা লাংও নিংথৌ পুজিবনে। কুচুগী নোংচুপ। লমদা থুহুপ অহুম মথায়গী মতমতা। হী কোপা সুঙ অমা লৈপনে। মচু ঙৌএ। মশকতি নোংশ্বাগী মশকনে। ঈরাংতি হামেংনা লাংও মীবু ঙমএ। মমায় পুঙগী মোইরাং পাংবা লমদা থুহুপ ৭ কী মতমদা। উংত্রা কোবা লৈবনে। অহুদা হী কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীশক্কে। অমদি উনা হুকএ। অহুদগী হুকত্রা কোএ। যণনা লাংও মীবু ঙমএ। উত্রাগী মথারম থুহুপ অহুমগী মতমদা। পাওতাকপুঙ লৈবনে। অহুদা য়াই কোবা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্কে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মচু ঙাংএ। ঈ অমনা লাংও। পাওতাইএ। কাংবৈ পুঙগী মোইরাং পাংবা লম। থুহুপ অহুমগী মতমদা। নাপঙ পুঙ লৈবনে। অহুদা হী কোবা সুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীশক্কে। মমায় চিঙ্খৈ পাংএ। উনা হুকলিএ। নিংথৌনা মনা পঙলবগা থুহু অঙৌবনা লাংও কৈএ। উত্রাগী অরাং পাংবা থুহুপ অনিগী মতমদা। রারেপপুঙ লৈবনে। অহুদা য়াই কোবা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্কে। মচু মে মালনে। মনিংদি হং কোএ। রারেপত্রবদা। কাঙা অঙৌবনা লাংও। কাংবৈ

পুঙগী শঙজি চৌংখৈ পাংবদা খুদুপ অনিগী মতমদা য়াই কৌবা নুং অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী পানে। মচু দি অতকপনে, মশক্তি মীগী মশক্কে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মানা শারাং লৈ-শাংথেম পোকএ। ঈ অমনা লাংও।

মথং কৈদোম অমদা। হী কোপা নুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মচু রাঙথাংনৈএ। মমিংদি, অুরাং কৌএ। ঈ অমনা লাংও। মাবু ঙমএ। কৈদোম অমদা। হী কোপা নুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মচু দি লৈতরেং মানলে। মমিংদি, ঙানবা কৌএ। য়েনগী ঈনা লাংও মাপু ঙমএ। কৈদোম অমদা। হী কৌবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্কে। মমিংদি মঙাং কৌএ। ওকনা লাংও। ময়ায় কৈদোম অমদা য়াই কোপা নুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্কে। মচু লুপাগী মচুনে। মমিংদি লংবা অপানবা কৌএ। ষণনা লাংও। নিংথৌ পুন্সিএ ময়ায় কারম্দা হী কোপা, য়াই কোপা, মুক্তা কোপা অহুম লৈ-পনে। মঙংদি য়োংশবী শৌরাগী মঙংনে। সনানে, মথক্তা সনাগী চকুঙম্বা অমা থোংলিএ। অমম্বুং অহুম নুইএ। অমনা সনাহিদাক-কুম ঙৌমা লংএ। অমনা সনাগী মচুনে। অমনা পোহালগী মচুগুম ঙাংএ। মথক্তা সনাগী কেপামগুম্বা অমনা কুপলিএ। মনুংদা লৈবদি মীগী মশক মানবা অমা লৈএ। মমিংদি কুরু শিদবা কৌএ। ষণনা লাংও। নিংথৌ পুন্সিএ। মৈয়া চৌংগী মৈরম খুদুপ ভরা গুয়েংকী মতমদা। সনাগী সঙ্গাই অমা লৈবনে। অহুবু লাইকংলা য়োংবী চৌং কৌএ। মথাদা কাকয়েনগী মকোক ননলিবনে।

অহুবু য়াই কৌএ। ঈম অহুগী মহুংদা। অতিয়া কুরুনা লৈএ। যণনা লাংও। ঈম অহুগী নোংচুপ লম থুহুপ অহুমগী মতমদা সনাগী মুম অমা লৈবনে। অহুবু খোয়বুঙ কৌএ। মহুংদা হয়িচক কোপা কুরু লৈপনে। ঈম অনিমাগী মমাঙদা। থুহুপ মঙাগী মতমদা শেনগী ফুরা লৈবনে। মহুংদা হয়াচক কোপা কুরু লৈবনে অনিমা অসিস্থুং যণনা লাংও। লৈপাক সুংঙাইএ। নিংথৌ পুন্সিএ। মৈরা চীংগী নোংপোকলম থুহুপ মরিগী মতমদা। কৌজেংগী য়াই লৈবনে ঈনা লাংঙ। লৈবা সুংঙাইএ।

কৈদোম মাপলমাগী কারনগী মতমদগী থুহুপ মরিগী মতম অরাং লমদা ওনখংও। অহুদা, পাখঙবা পুঙ কৌবা লৈবনে অহুদি নিংথৌগী পুন্সি নিকমনে। মশাদি লিনগী মশককুম্বনে। য়াম্রা লৈএ। খঙও। ঈ অমনা লাংও।

ফুরাগী নোংপোক পাংনা থুহুপ কুনমাথোইগী মতমদা হৈনিংশিদবা লৈবনে। অহুদা কুরুবু লোকএ। হায়বগী লোকপা চীং কৌএ। মখোঙদা তাইবঙ পানবা মপু শিদবনা লৈএ। মচু অহুমমানা কোইরিবনে খঙও। মীকুরু চীংগী নোংপোক পাংনা থুহুপ তয়ানিথোইগী মতমদা খা পুঙ লৈএ। অহুদা খাবা তেলহৈপনা লৈএ। মশক্তি মীশক্লে, মচুদি ঙাংএ। ওক্নী ঈনা লাংও মীবু ঙমএ। খা পুঙ অয়াং লম থুহুপ কুনতরেংকী মতমদা সুঙচফু লৈবনে। কুরুগী মহিনা থাঙ ওইনা হাপংলিএ। অহুবু সুঙগী কেগায়া কুপ্লিবনে। অহুবু ময়েং তাদরবদি লৈপাক কত্তে। তারবদি লৈপাক সুংঙাইএ। মনাক্তা আতাপুঙ লৈবনে। অহুদা য়াই

কোপা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মচু মুইএ, মমায় চিঞ্জে পাংএ। শেন্দাংগী ঈনা লাংও। নিংথৌ নাত্তাবনে। শিঙ্বা পুঙদা য়াই কোবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। খুমু অত্তোবগী ঈনা লাংও। অসিদি থিংথ্রু চৌংগী মনাক্তনে। থিংথ্রু চৌংগী নাপোম মথা থংবদা খুত্থপ মম্নিগী মতমদা। মংলেন লৈবনে। অহুদি অসিবা কুরুনা পোইরৈক্তোম্না খুম্মোকঙৈদা। মসিনা সাবি শাহুনা লমজিংলক্লে। সাবি অহুবু মাংলে মাংকম কোএ। ঈরাত্তি ষণগী ঈনা লাংও নিংথৌ পুম্জিবনে। মংলেনগী মথাদা খুত্থপ অহুমগী মতমদা। যাই কোবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে। মমায় অরাং পাংএ। ওকনা লাংও। মমিংদি শিনাইপুঙ কোএ। অহুগী মোইরাং পাংলকনা খুত্থপ তরুকী মতমদা য়াই কোবা নুঙ অমা লৈবনি। মশকতি মীগী মশকনে। মমায চিঞ্জে পাংএ। মচু মেনমালে শন্দংগী ঈনা লাংও। শিরোইদবনে। অহুবু, য়াওরৈ। খুলপাম ভেৎনৌ য়োংলি থি বা চীং কোএ। অহুগী মোইরাং পাংলপনা খুত্থপ তরাগী মতমদা। লাইরিকপুঙ কোবা লৈবনে। অহুদা হী কোবা নুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্কে। মচু শংবাম্নৈএ। মমায়দি কোপরু পাংএ। মমাংদা মুকফু কোলোম অনিমা থম্না লৈএ। ঈরাংতি হাম্মোংগী: ঈনা লাংও লাইরিক হৈএ। থেংক্রু চৌংগী মৈরমদা খুত্থপ অনিগী মতমদা লৈবা নুঙজাউবো, কাকয়েনগী মশানা থাংকৎলবা নুঙনে। মমিংদি, মরৈশুং কোএ। খুম্মোংমুং কোই। লোইরেলমুং কোএ। মঙোম্মগী হোদোক্লকএ হায়বগী মহোম্মুং কোএ। নুঙ অহুগী

মমিংদি। কেকেতুমচরিক কৌএ। অহুগী মৈরমদা খুহুপ তরা-মাথোইগী মতমদা। য়াওরৈ লৈবনে, অহুদা হী কৌবা হুড অনি লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। অমনা হৌদোংগী মশক্লে। লাই-শক্তি, মমিংদি য়াওরৈলৈয়াখি। খুলকামলৈনামুং কৌএ। তোক-পদি লৈমরেলনে। য়েনবী খুরোয়চা য়েনবীবু লাকপদি মানে। অহুদা য়াই কৌপা থাম্নুং লৈএ। হী কৌপা কোংলৌতোন লৌ-থিংম্নুং লৈএ। মাগী ঈয়াংতি থিকক্রিমে, থকোংনে, থাংব্রাংচাক্লে। অহুমমানা লাংও লৈপাক হুংঙাইএ। নিংথৌ মপুক তম্লে। মমিংদি শেললোই লংমাইচৌং, লংমাই লংবা চৌং, মঙন তরঙ বাংবা চৌং। অহুগা পাবোং চৌংম্নু কৌএ। অহুদা পীবা কোবা লুম ৬২ থম্লিএ। হুঙজাও অহুগী নোংপোক লম খুহুপ তরেংকী মতমদা। য়াওরৈ হুদা কৌবা লৈবনে। য়াই কৌবা হুড অমা লৈবনে। মশকতি লাইশক্লে। মচু রাওএ, মমায় নোংপোক পাংএ। ঈয়াত্তি য়েনগী ঈনা লাংও। নিংথৌ পুম্সিএ। খুম্হোং ম্নুঙকী নোংপোকলম-খুহুপ অমগী মতমদা। য়াই কৌপা হুঙ তরেং লৈবনে। মশকতি লাইশক্লে। অহুদি লাইরেম্খা তরেংমানে। ঈয়াত্তি য়েন মরুম তরেংনে, শারম তরেংকী ঈনা লাংও। মমায়দি অহুম্মা নোংপোক পাংএ। অমনা মৈরম পাংএ। অহুম্মা মথা পাংএ। মাইবরোন তরেংমাম্নুং কৌএ। হুঙ অহুগী নোংপোক লাইজিরম। হী কৌবা হুঙ তরেং লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মমিংদি মাইবরোল তরেংমা কৌএ। ঈয়াং, ওক য়েম্না লাংও। লৈপাক লাইশং নেম্বানে। হুঙজাও অহুদি মথা হোৎবনে। তাওরোইনাইনা মমৈবু

মরান্না চিক্লা লৈএ। ওকী ঈনা লাংও লৈপাক-হুংতাইএ। হুও অহূগী অমাং পাংনা থুহুপ তরুকী মতমদা চংলম য়াংবি-পক্লা পাশং-কগী য়াই কোবা হুও অমা লৈএ। মশক্তি পাচিল ডুমকী মওংনে। মচু শংখানৈএ। অমিংদি থুথুপ কৌএ। শোকহৈনে। শোকুমদি মখুং মখোঙ নিকপনে। অঙ্গবু লাইশেংপাত্তা থাথরবগা লৈএ। য়েনকী ঈনা লাংও লৈএ। থেংক্রু চাংকী মতমদা য়াই কোপা হুও অমা লৈপনে মচু রাঙএ। মশক্তি মীশক্নে। মমায় থা পাংএ। মথুং অনিমা লোম্না লৈবনে। মমিংদি, তখেল কৌএ। ওকনা লাংও মাবু ঙমএ। মানা তখেল পোকএ। থেংক্রু চাংদি, কুরুকী মশাবু ঈকএ। তুমলে, তুমপুও কৌএ। কুরুগী মশানা সনাগী মতুম ওইনা লৈবনে। ওকী ঈনা লাংও নিংথৌ পুজিবনে। চৌমু চৌংজাও কৌবদি। ওমশওনে, ওমশওগী বাবু হায়রক্নে।

ওমশও কৌবদি কৈদোম অহৈমনে, লাইজিগী, ওমদা লৈবদি। য়াই কোবা হুও-অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্নে। মচুদি থাওনা ঙাংএ। মহাক্তি চিথৈ কুরুনে। মমিংদি শমবুয়েন হুহা খাংবা কৌএ। মমায়দি চিথৈ পাংএ। মহাক্তি থুহুপ মঙা লুনা লৈএ। ঈমাক্তি ইরোই অঙৌবনা লাংও নিংথৌ পুজিএ। মৈ-রমগী ওমদা য়াই কোবা হুও অমা লৈবনি। মশক্তি মীগী মশক্নে। মমায় নোংপোক লাইজি পাংএ। মচুদি হিকোক্কী মচুনে। মমিংদি লোহিং কৌএ। ওক্লা লাংও। লৈপাক হুংতাইএ। চিংথক অহূদগী থুহুপ মরিগী মতমদা। হী কৌবা, য়াই কোবা হুও অমি লৈবনে। মশক্তি মীগী মশকনে। মচুদি, অমনা হিগোকনে, অমনা

অশম্বনে, মরিংদি, লিনবা লিনবি কৌএ । মমায়দি বৈয়ম পাংএ । অনিমাগী মমিংদি লিনবী মুয়োল মনিনবী কৌএ । লাইশিদবা, মপা মচা অনিমানা । মুঙমু মথক্কা ওক্কয়ে । অছুগী মমিংবু বৈলেহুং মুহুই অয়াংবা কৌনা বৈলেবনে । খুছুপ অছম লুনা বৈলেবনে । যয়া লাংও । বৈলেপাক চাওএ । খোইয়াং থংবা শুমচোদা য়াই কৌবা মুঙ অনি বৈলেবনে । মচুদি চা মাস্কে । মশক্তি লাইশক অয়েগনে । মমায় খা চিপ্লেক পাংএ । মচিনবান অনিম ছু, লেং লেংনা বৈলেবনে । খুছুপ অনি লুনা বৈলেবনে । অনিমাছু ওকনা, য়েমা লাংও । নিংখৌ পুন্সিএ, বৈলেপাক মুংভাইএ । কৌপরু শুমচিদা, য়াই কৌপা মুঙ অমা বৈলেপনে । অছুদি নোংলুখকৌ মশকতী, লাইশক থোকলক্কে । ময়েক মরা থোক্কে অছুগী পাখংবপু মুঙমুয়াচা অয়াংপা কৌনা বৈলেপনে । লাইশক অয়েগনে, শম্দংনা লাংও । নিংখৌ পুন্সিএ । মথা খংবা কাদা য়াই কৌবা মুঙ অমা বৈলেপনে । মশক্তি মৌগী মশক্কে । মচুদি শংবায়েএ । মমিংদি অছুমছু কৌএ । মমাঙদা লাই অমবু মুয়া থমলিএ । অছুবু ওকনা লাংলো, মৌবু ওখনে । মঙ্গায়গী কাদা অশিবা কুক্কনা চবুক্কা বৈলেএ । মানা শচু মুমিংকুম ভাম্মা বৈলেবনে । মশক্তি মৌগী মশকনে । মমিংদি বৈলেহুং লোনুজা অরিবা কোয়ে । ঈয়াপ্তি ওক, য়েমা লাংলো । নিংখৌ পুন্সিবনে । মথং কাদা মৌ কৌবা মুঙ অমা বৈলেবনে । মশক্তি মৌগী মশকনে । মচুদি মেন মানবনে । মমায় অয়াং পাংয়ে । বৈলেমরেলনে, থোঙ্গাক লাইরেম্মা কৌপনে । ওক মমা লাংলো । মনিং ময়াঙ কা ২মাদি নিংখৌ চহুইহেদ, পুন্সিদে থঙও ।

শুমশঙগী অরাং পাংবা লম খুহুপ মডা মখায়গী মতমদা চুংয়ালপু থাঙ য়ালপুঙ লৈবনে। অহুদা হী কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মচু শংএ। মশক্তি মীগী মশকনে। মমায় নোংপোক পাংএ। মমিংদি পাম্বোইবা কৌএ। য়েনকী ঈনা লাৎলো, মীপু ঙমএ। শুমশঙগী কৌপরু পাংবা থারৈকী লাইজি পাংবা লমদা। খুহুপ মডাগী মতমদা। য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। খুহুপ মরি লুনা লৈপনে। য়াই অহুদি খ্বাই সুংজেংবনা কায়া য়াইনে। মকম অহুবু, মরিং খুনবী লোক কৌএ। য়েন অঙৌবনা লাৎলো। মমিংদি ভাও-হুইরেং অহনবা কৌএ। শুমশঙগী লাইজি নোংপোক থংবা লমদা হী কৌপা সুঙ অহুম লৈপনে। মশক্তি মীগী মশক্লে। মচুদি ঙাংনা ঙৌএ। মমায় নোংপোক পাংএ। মমিংদি শিদানুবী কৌএ, অমদি থংমদিংসুবী কৌএ, অমদি লমলৈমা কৌএ, মিংথৈদি লৈয়া-রেল মরীকপী কৌএ। ঈরাত্তি শন্দংনা লাৎলো। নিংথৌ শিদেএ। শুমশঙগী নোংচুপলম খুহুপ মরিকী মতমদা। লৈখং পুঙনে। অহুদা হী কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মচু ঙৌএ। মশক্তি মীশক্লে। মমাযদি নোংচুপ পাংএ। মমিংদি লৈসুংসেনবী তোমশোনসু কৌএ। ঈরাত্তি মম্না লাৎলো লৈপাক মম্না চেৎলে। নিংথৌ মখোয় শাউদে।

খুনবী লোকী মনাক নোংচুপলম খুহুপ অনিগী মতমদা লোৎ-থম পুঙনে। অহুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে মশক্তি লাইশক্লে। মানা ঙবদি সুঙগী মোয়া অমা সুইএ। খুহুপ মঙা লুনা লৈএ। হৌদোংগী ঈনা লাৎও। পুন্সিয়ে থঙও। শুমশঙকী মৈরমদা

খুন্থপ তরেংকী মতমদা। মাদং চীং কোপা লৈপনে। অদুদা হি কোপা তুগু অমা লৈপনে মচুদি, হিগোকনে। মশক্তি লাইশক্লে। মমায় মৈরম পাংএ। মানা থামায়ন পোকএ। ঈরাংতি ষণগী ঈনা লাংলো।

মালং চীং অদুবু লৈকুং লৈরাই লৈয়েংপুগু কৌএ। অদুগী নোংপোকলম থুন্থপ অমগী মতমদা য়াই কৌবা তুগু অমা, হি কৌবা তুগু অমা, অনিমাদো মশক্তি মীগী মশকনে, মচু ঙাংএ। অমনা লাইশক্লে। মমিং য়ুংয়াংনৈএ। মথা লাইথা তাএ। মখোমদি থিকলেন খোমহুক হাংএ। মচুদি চা মাল্লে। অনিমাগী মমিংদি খোঙারেল লাইথুরোনবী কৌএ। অদুবু থমহুং কৌএ। লাই-শঙ কললবদি মঙোন্দা শন্দংনা লাংলো শিরোইএ।

খাখোং ইরেন্দা কুরুনা হান্না শেম্বা হঙোইদো লৈবনে, অদুবু তুগুজুখোম কৌএ। নোং কাংলবদা য়েনশী ঈনা লাংলো নোং চুইএ। খাংপকতা য়াই কৌবা তুগু অমা লৈপনে, মশক্তি মীগী মশকনে। মচু মুইএ। মমায় নোংপোক পাংএ। মমিংদি তোন-থাংষু কৌএ। হামেংন' লাংলো মীবু ঙমএ।

কৈদোম মাপনমাগী নোংপোকলম থুন্থপ মরিগী মতমদা য়াই কোপা তুগু অমা লৈপনে, মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি উফক মাল্লে। উপ্রাক্লনা হিপলিএ। লাই অদুগী মমিংদি, লৈথাবী কৌএ। ওকী ঈনা লাংলো লৈপাক ফৈএ। শুমশঙকী নোংপোকলম থুন্থপ কুন-নিথোইগী মতমদা কৈবেনবীগী অবাংদা থমহুং কোরমুকা য়োংস-বিকা অনিনা লৈপনে। লৈচেংপুঙকী নোংপোকলম থুন্থপ

কুনথরিগী মতমদা ওঁরিচীং লৈবনে। অহূদা য়াই কোৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচু শংএ। মমায় খা পাংএ, মমিং পাইখু কোৌএ। অমনা অরা পোবএ। মনজা অমা মন্না লাংও। পাইখু ঙমএ। হনজিংদা হি, য়াই কোৌপা সুঙ অনি লৈপনে। মশক্তি মীগী মশকনে। মচুদি সনা ফুদোংবাকী মচুনে। থুহুপ মঙা লুনা লৈএ। ওকন লাংও নিংথৌ পুন্সিএ। মহাক্তি ফুরু লৈময়েলনে। হনচীংকী নোংপোক্তা হিরু শঙনে। মাগী চবুক কারন্দা য়াই কোৌপা সুঙ অনি লৈপনে। মচু বাওএ। মশক্তি লাইশক্লে। থুহুপ মরি লুনা লৈএ। ওকনা লাংলো, নিংথৌকী পুন্সি নিকমনে। মহাক্তি লাইনিংথৌ লাইরেম্বা কোৌএ। হনচীংকী অরাংলমথুহুপ কুনগী মতমদা লোইরেন কিল্লাল য়াই কোৌপা লৈপনে। অহূদা য়াই কোৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক লাইশক্লে। মচু চামেন মানলে। মমিংদি ফুরু কোৌএ। নিংথৌকী পুন্সি নিকমনে। ওকনা লাংলো। লোইরেলকী নোংপোক্তা। থুহুপ ক্রুন্থাগী মতমদা খেন কোৌপা অমা লৈপনে। অহূদা য়াই কোৌপা সুঙ তরেৎ লৈপনে। মশক্তি মীগী মশকনে। মচু সনা অহিংবগী মচুনে। কৈথেল লাইরেম্বা তরেৎ কোৌপতি অহূনে। মথোয় তরেৎমানা য়োনবা লুকমায়দি অমতনে। মাবু লাংপদি যগনা লাংলো। লৈপাক ঙা-চাক হোংএ। নুংঙাইএ, মীবুমুং ঙমএ। নচীংগী নোংপোকলম থুহুপ মরিগী মতমদা। তকুপচীং কোৌপা লৈপনে। অহূবু শঙকাই কোৌএ। শঙকাইগী চপুক কারনদা য়াই কোৌপা সুঙ অমা লৈএ। মশক আইশক্লে। মচু শংবানবৈএ।

মি মি তোংলেন মী মনিক কৌএ। নিংথৌনা লমদা চংনিংলবদা ওক য়েন্না লাৎলো 'নিংথৌ পুন্সিএ। শংকাইকী মোইরাং খংবা চিংথঙ্কা হি কৌপা মুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্রে। মচু ঙাংএ, মমায় মোইরাং পাংএ। মমিংদি নিংথৌ তুরেল কৌএ। নিংথৌনা শাঙ্কং লানচংলবদা লাংলো। শঙকাই শাইপুতা হি কৌপা মুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্রে। মচুদি লৈচিলনে। মমায় মখা পাংএ। মাগী ঈরাংতি ওকনা লাংও। নিংথৌ মবুক ঙপপে পুন্সিএ।

তকুপ চৌংগী নোংপোকলম খুহুপ মঙাগী মঙমদা সনা থেংক্রু চৌং কৌবা লৈপাকশঙ লৈবনে। অহুদা খোমদাপাং লৈপনে। খোমইনকোল কৌএ। অহুগী চবুক কারন্দা নোংথাং লৈমকা হায়াবকা লৌনঙৈদা কম্নবা কান্দেংয়াইদো লৈবনে। খুহুপ তরুক লুনা লৈএ। খোমইলকোলগী চবুক্তা হি কৌপা মুঙ অমা লৈপনে। মুঙ অহুদি, তাইবঙ পানবগী মমা লৈমরেল শিদবীনে। মশক্তি, নমুপোংশক অরেপপনে। থিকলেন খোমবুং হাংলে। মমিংদি লৈহিংচু লৈনপকা কৌএ। মহুদা নিংথৌনা মচা পোকত্রবদা ওক্রা লাংও মচা পোকএ। অহুগী চাপোক পুঙ, লৈখোমশঙ, খোমইম খাইনপুঙ কৌএ।

লাইরেমমাহুবু লাইরেমমা তরেৎমানা কোয়না লৈবনে। থিংক্রা চৌংকী মৈরমদা খুহুপ চামাকা অহুমকী মঙন্দা। লিক্রা চৌং হলয়েংকোল কৌবনে। অহুদা হি কৌবা মুঙ অমা লৈএ। মশক্তি মীগী মশক্রে। মচু মুইএ। অমায় মৈরম পাংএ। মমিংদি

হুইরিক লাশং তনৌবী কৌএ। অদুবু তাইবঙ পানবগী মমা লৈম-য়েল শিদবীনা মথক্তা লেপতুনা করিগুম্বা রাংপনো হায়না হন্না য়েংলমএ। অভুগী হনয়েংকোল কৌএ। লিকলানা তাদরবদা, অদুদা য়েন্না লাংও। লিকলা তারবমে। থেংক্রু চীংগী নোংপোক-লমদা থুদুপ হুম্ফু মঙাগী মতমদা শাহোং ঙাহোংপুঙ লৈবনে। অদুদা শারৈমা, ঙারৈমা, কৌরৈম, থুমলৈমা, লললৈমা, শিললৈমা মথোয় মঙানা লৈবনে, ওক্লা লাংও। অসি থৈবিকমা হোং চাউএ।

হৌজিক্তি নোংচুম শঙদা লৈবা হায়গে। নোংচুম শঙদি কৈদোম অদুমনে। ময়ায় কৈদোমদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীকী মশকনে। মচুদি নোংথাং কুপপগী মচুনে। অদুগী তকুপ নোংথাংচীং কৌএ। মমিংদি, অতিংকোক কুরু শিদবনে। মিংথৈদি চী কিং সনা লৈপুবা কৌএ। সনাচীংসুং কৌএ। তকুপ চীং কৌপতি করিকীনো হায়রবদি। তাইবঙ পানবা মপু কুরুনা মচা অদুমমাকী মতিক য়েংকে হায়তুনা সনাচীং মতোন্দগী মণ য়োংমানবীকী মউনপু তোংদনা, খোইনিংথোই মতু চিন্দনা লাংয়েল তরেংমানা থোকন্দনা। কুরুং লাউনা তাউথরকএ। অদুকী কুরুম চীংসুং কৌএ। লাংয়েল তরেংমানা থোকলকপকী, তকুপ তকুপ তরং তরংএ। কায়বগী তকুপ নোংথাং চীং কৌএ। খঙও।

মনাক্তা হয়িচকচৈদা কুরুনা হান্না শাপা মরুনে হওয়নে, যোংনে, ঙাক্রমনে, তিন্থ্রাকনে, কোবিনে অসিবা মশক কায়দনা কুরুবু কোইনা থোকন্দনা লৈবনে। থুদুপ তরেৎ লুবনে। কৈ-দোম নোংপোক্তা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীকী

মশকনে। মচুদি লিকলাই অঙোবাকী মচুনে। মমিংদি মালেম লৈবু লুম্বী। কোন্নৌ নোংবু খোনবী কোএ। পুরৈলোম্বসুং কোএ। মিংথৈদি লৈনপকা লেহিং নপ কোএ। মনমদি, লফুরিক শংকুপ্পে মনম নমএ। মসিবু তত্তিয়াসুং কোএ। খণ্ড ও। কৈদোম নোংচুপ থংবদা হি কোপা ফুও অমা লৈপনে। মশক্তি মীকী মশক্নে। মচুদি কোনঙৌগী মচুনে। মনমদি খম্বাল মনম নমএ। মমিংদি লৈমরেল নামুংবী কোএ। মিংথৈদি লৈহিংপুল লৈনপপী কোএ। লুবাং লংবসুং কৌয়ে। ময়ায়, কোয়রেন্দি। ফুরেপ লৈমা লুঙাউবী নাকথা লৈমা পাউয়াবী কৌয়ে। মনমদি লাংথরৈ মনম নময়ে। চথা খোংচোল সুপী মালেম তম্পাক লৈমা হরি নিংনাং পোকপি। কৌজেং হারৌ পোকপি কৌয়ে মিংথৈদি সনাহিল তরেং তরেংবী কোয়ে। লাই অহুমমা অসিদি ওকনা, যম্না লাংও লৈমা নিংথৌ পুন্সিয়ে। মৈরমগী সুমদা য়াই কৌবা ফুও অমা লৈবনে, মশক্তি-মীগী মশকনে। মচু মুনা লাংয়ে। মমায়দি মৈরম পাংয়ে। মমিংদি লৈখোমতাউ কৌয়ে। ঈরাংতি ওকনা লাংলো। মোইরাং থংবা শুমদা য়াই বৌবা ফুং অমা লৈয়ে। মশকতি হোদোংনে। মওংদি মীনে। মচুদি লৈচিল অরাউবনে। মমিংদি নোংখোমতাউ কোএ। ঈরাত্তি য়েন্না লাংলো। কোপরু সুমদি হি কোপা ফুও অমা লৈবনে। মওংদি শাগী মওংনে। মচুদি লুপাঙম ঙৌএ। মশকতি কোয়এ। মমায় লিকলম পাংএ। মমিংদি লৈশাতাউ কোএ। চিঙ্খৈকী সুমদা য়াই কোপা ফুও অমা লৈপনে। মমায়দি চিঙ্খৈ পাংএ। মচুদি ঙাংনা লাংএ। মশকতি কৈকী

মশককুমএ। মওংদি মীনে। মমিংদি নোংশাতাউ কৌএ। লাই অনিমাশি ইরোগ অঙোবা, হানেং অঙোবনা লাংও। লৈপাকময়া চেংলে খঙও। লাইচিগী সুমচি মনাক্তা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈপংদো। পাখংববু হাকোক সুঙনে। মশক্তি পাখংবা লাইশক অরেপ্পনে। ময়েক ময়া খোক্রে হাযবকী মমিংদি সুঙৌ-লাচা অরাংবা কৌএ। মিংথৈদি সনা তিং নোংদা তরেংখোম্বা কৌএ। ওকনা, রেম্বা লাংও। নিংথৌ পুন্সিএ। নোংচুম শঙকী নোংচুপলম থুহুপ মঙাকী মতমদা। খোংকী লুতিন লৈবনে। ঈশিংনা নমখিরবদা ঈ অমনা লাংও কৈএ। নোংচুমশঙকী অরাংলম থুহুপ তরামাথেইকী মতমদা য়ুমজাউ লৈয়ে। য়ুমজাউগী মথারম থুহুপ তরাগী মতমদা লৈবা খোংদা চিংথৌলৈমা ইচৌংখোং লাইবা নাহা উতাম থাবা চৈ পৌদালানসুখা। লাইজা হেমদৌ খোং কৌয়ে। সনা খোংসু কৌয়ে। সংকাইকী মচুংগা খোং অহুমমাকী মকোক লোংলিবনে। মমিংদি, পুমশাইখোং কৌয়ে। ঙায়েনসুং কৌয়ে। ময়াই কারন্দা হি কোপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্রে। মচুদি রাউনা ঙৌয়ে। মমিংদি লংমাই অপানবা কৌনা। কারন মথক্তা কয়া লৈয়ে। মমিংদি পাখং য়ুরেনবা। য়ুরেন অঙোবনা লাংও। নিংথৌ পুন্সিয়ে। য়ুমজাও কোপাত, কৈদোম মাপননে ময়াই কৈদোমদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মচু ঙৌয়ে। মশকতি লাইশক্রে। মমিংদি পুরৈ-লোম্বা কৌয়ে। হানেং অঙোবনা লাংও। লীবা থুএ। মনিঙ কৈদোমদা, য়াই কোপা সুঙ অমা লৈপনে। মচু রাউয় মশকতি

মীশকনে। মখিংদি লুরাং লুংবা কৌএ। য়েন অঙৌবনা লাংও। মীপু ঙমএ।

অমসুং হায়কে য়ুমজাওকী কারম্দকী চিঙ্কৈ পাংনা খোংকাপ ওনলো মফম অতুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাই-শকনে। মচুদি সনা ফুদোংবগুম্নে। মমায় নোংপোক পাংএ। খুত্থপ তরেৎ লুনা লৈএ। অমদি ঙায়েনকী চবুক্তা খুত্থপ মরি লুনা লৈএ। সুঙ অতুকী মশক্তি মীকী মশকনে, মচুদি সনা ফিকে মানলে। অনিমা মায়োকনা লৈএ, মনিং নাইতে, অনিমাকী মমিংবু লৈমা নিংথৌ কৌএ। অনিম অসি লৈবকী, লৈমা নিংথৌ পাল্লিবনে। নিংথৌ পুন্সিকে হায়রবদি, একনা লাংও পুন্সিএ। অনিমাকী মরায়বক্তা শক্তিক থাবানা ঙাক্তিবা সুচনে। ময়াই কৈফেদোমদা লোয়াকম চাকশোপুঙদা দি কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশকতি মীশকনে। মচুদি সনাগি মচুনে, মনমদি শফুতিকী মনাম্ন। মমায় মথা পাংএ। অসিদি তরা চাক্লঙথ রু চাকশোবা। হচিক-থুমমা নোংদম্বী। ইশাথুম্না লোংথাইবা মানএম লৈতকপী, কোন-কম লৈয়েংবা। লৈফুরেল নামুংবা কৌএ। অসিদি চহুম পানবা লোফমনে। লৈদুং পোকপী লৌতনথাক শুবা শিল্লুম কৌএ। ওকনা লাংও চাক হোংএ।

কৈফেদোম অমদো ওমলাং চীং কৌপনে। অহুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈবদো। য়াই কৌপা কুমিৎপু কোননিপনে। ত উ-রোইনাইনা মমৈবু ময়ানা চিকতুনা কোননিবনে। য়েন অঙৌবনা লাংও। মথং কৈফেদোমদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি

লাইশক্লে, মচু শংপাননৈএ। মমিংদি হয়িচক কৌএ। মন চায়, মন্না লাংও। মমায় কৌপরু পাংএ। কৈদোম অমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈপনে। মচুদি ভাংনা লৈচিল মানলে। মশক্তি চীংঙু লাইশক অরেপ্পনে, মমিংদি ভানবা কৌএ। হামেংনা লাংও। কৈদোম অমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈপনে। মচু লৈচেরেং মানলে। মমায় মোইরাং পাংএ। মমিংদি থে খোম্বা কৌএ। থাংকা কমবোং উরোক উশাই পোকপনে। মন্না লাংও। মথং কৈদোম অমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈপনে। মচুদি ভাংনা লাংএ। মশকতি লাইশক্লে। মমায় মোইরাং পাংএ। মমিংদি হিং সনা নোংত্রেং খোম্বা কৌএ। মোইরাং পোকএ। মথং কৈদোম অমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীকী মশক্লে। মচু মুই, মমায় খা পাংএ। মমিংদি থুমন কৌএ। অনিমা অসিদি ওকনা লাংও। থোং অতুদি চকপা পুমশাইখোংম্নুং কৌএ। লপয়ান কাদি য়ুমজাউ লাইরেম্মগী কানে। শাইপু লাইরুদা হুঙ অমা লৈবদো। লংমাই লৈমকী থুকমনে। ঈরাংলো নিংথৌ পুন্সিএ।

পুমশাইখোংদগী থাইথিপনা কাংপোকপী ফাওএ। থোং মমিংদি মথি কৌএ। য়ুমজাউদকী কংলা তমনা খোংকাপ তরাতরেৎ চংলবদা মকম অতুদা তৌও। থুহুপ অমা কাপলেল অমা তৌও। লাইখোং ঈরেল লৈবনে। ঈশিং থোকদনে। য়ুমজাউদকী শং-কাই লপলেন কা তম্না খোংকাপ থিও, অতুকা থুপও। ময়াইকী মতন্দা হুঙ অমা লৈবনে। অতুদি শোকপম্নুং শোকহৈদে। লেঙ-বম্নুং লেঙহৈদে। পাথংবকী থুদানে। পাথঙবা থোক্লবদি অতুদা

ওকনা লাৎও। মমিংদি সনা হিং পাখংবা কৌএ। কৈএ। শঙ-কাইকী অবাং পাংবা সনা খোংকা অনিমাকী মরক ময়ামদা থুহুপ অহুম লুনা হুঙ অমা লৈবনে। মথাদা সনাকী শঙকাই অমা লৈ-পনে। অহুদি মঙাং কুরুপী মফম্নে। পুন্সি নিকম্নে। ওকনা লাৎও। পুন্সিএ। শঙকাই য়ুমজাউগী য়ুমনিঙ চিথেক চিঞ্জ পাংবদা থুহুপ তরেৎ লুনা হুঙ অমা লৈবনে। মফম অহুদি হুমিৎপু য়ুকৌফম্নে।

অমসুং হায়্রকে ঙায়েনদি লুরাং নহা য়াওশা তানবকা চীংখোঙ কোয়মানাওকা অনিমানা তাইনরে, পুন্নরে। পুম্নেন তাইবী পাৎ কৌএ। য়ুমজাউ মনাক্তা হুঙ অমা লৈবনে অহুদি খোং অয়ুংবনে। য়ুমজাউ মনিঙদা থুহুপ মরিকী মতমদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈ-পনে। মশকতি মীশকনে, মচুদি জমেন মানবনে। মমায় মোইরাং পাংএ। মমিংদি য়াই পোকপী কৌএ। নিংথৌকী হি-য়াইনা ময়ায় চম্লবদা হুঙ অহুদা লাৎও। ঈ অমনা তৌও কৈএ। য়ুমজাউগী মনিঙদা থুহুপ মরিকী মতমদা য়াই কৌপা হুমিৎপু হুঙনা নল্লি-বনে। মৈরম থংবদা থুহুপ তরেৎকী মতমদা সনাকী হিনে, নৌনে অনিমা লৈবনে। করিকী হিনো হায়রবদি হয়িচকঙৈদা কুরুনা তোংলম্বা হিনে। নিংথৌকী হিনা খুতম তৌরবদি। মফম অহুদা হিনা লাৎও কৈএ। য়ুমজাউকী অরাংলমদা থুহুপ মরীকী মতমদা মোংবশঙ লৈবনে। অহুদা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্নে, মমিংদি তাউথিংমাং কৌএ। মফম অহুদা হুঙফালনে, চেকপনে হুঙহাংনে, উতোংনে মৈফম্নে। অসি থৈবিকনা লৈবনে।

থুত্থপ মরি লুনা: লৈবনে থঙও। অচুর্দি কৈদৌনবলো হায়রবর্দি হয়িচকচৈদা য়োইমোংবা, তাউখিংমাং অনিমানা কাকয়েন ফানবা। থাঙ শানবা থুংশ্নুনে। য়েম্না লবংও।। মনাক্তা কম্বোংপুং লৈবদো। অচুদা য়াই কোপা চুঙ অমা লৈপনে। মশকতি লাইশক্লে। মমায় ঙাংএ। মমিংদি মিহিং ক্ষা কোএ। মকম অচুদা লাইরেম্নে, থাইলেম্নে, লিনদাউরেম্নে লাই ভ হুম্বানা লিয়েংবনা লৈবনে।। লবই হিংচাস্নুং চুঙমা নল্লিবনে। ঈ চাবা লইনে।। ওক্রা লাংও।। মতিন মরায় কৈএ। মোংবা শঙকাইকী নোংচুপ্পা থুত্থপ তরামঙাকী মত্তমদা য়োং পোকপি কোপা লৈপনে। অচুদি য়োইমোংবকী থোইদোনে য়োংলৈমা লৈবনে। মমিংদি য়োংহিং সনা কোনফু কোএ। য়োংলৈমকী কোপরু পাংনা থুত্থপ তরেংকী মত্তমদা য়ুশোপুঙ লৈপনে। অচুদা য়াই কোপা চুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীকী অমকনে। মচু দি শ পানবৈএ। মমায় থা পাংএ। মহাক্তি চুঙথেল লৈমানে। মমিংদি লৈয়োম্লাং তনোপী কোএ। মকম অচুবু লমুংখোং, য়ুহিখোং, মঙুংচৌং য়ুশোপুঙ কোএ। য়াউমা লাংও।। চাকহোং য়ুংহাংএ। নিংথৌনা ঙাওরবর্দি মকম অচুদা লাংলো।। শঙকাইকী য়ুন্নিঙ অবাংলম লম চামাকী মত্তমদা লাংমৈপুঙ লৈবনে। অচুদা য়াই কোপা চুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীশক্লে।। মচুদি লাংনা ঙাংএ। মমায় থা পাংএ, মমিংদি য়োইমোংবা কোএ। মিংথৈদি শাহিং লৈরাংবা কোএ। করিগী লাংমৈপুঙ কোপনো হায়রবর্দি য়োইমোংবনা শারাম্বেদা মচল মেতু লৈতবু মেতু শাদনা ওংবৈএ য়োইমোংবনা লাংমৈপুঙ লেমকা। লৈরেম।

কৈজাউবা লুপর্খিয়ে মকোকক্তগী লাংমৈ পুঙলেন্দি তাউথোরকলে। অতুগী লাংমৈপুঙ কৌএ। য়েন্না লাংও।

অমসুং হায়কে শাহোংপুঙকী নোংপোক্লমদা থুহুপ মরিফুকী মতমদা পোং য়ুমকয়েঃঅদুদা য়াই কৌপা মুঙ মরি কোয়না লৈরিবনে। মখোয় মরিমাকী মশক্তি মীগী মশকনে। মসিংদি চাত্রে কৌএ। মখোয় মরিমানা ঙাকলিবগী মহুং ময়ায়দা য়াই কৌপা মুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্নে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মচুদি লফুরিকী মচুনে। মমিংদি লৈমরেল কৌএ। লৈপাক অসিবু কিরিবা লৈমরেন্দি মানে। মশক্তি মীকী মশক্নে। মচু ঙাংএ। মমিংদি পোংলেল হনবা কৌএ। মিংথৈদি, লৈহুং মেনবা কৌএ। মিংলেন্দি মিহিংসনা কৌএ। অথিয়া শিদবনা কৌদনা হে শচিকও, থাপাও, ওকপুরোয়, তাউছইরেং, মঙিমংমৌ শিনতাক্লগী অপ্‌কমা নাখোয় থৈবীকপু মকম অসিদা থোকও হায়না পানহনলে। ঈরাস্তি ওকনা, য়ন্না লাংও। লৈপাক মুংঙাইএ। নিংথৌ পুন্সিএ।

অমসুং হায়কে য়ুমজাউগীদি কারন ময়া পাথংবা পুঙকী চিথেক পোং য়ুমফমগীদি চবুক কৌপারু পাংবা মকম অতুদা অসিবগী নাউকমবু কোরিকী চফুদা হাপ্তনা মনিকী কেকান্না থুমদনা লৈবনে। থুহুপ অছম লুনা লৈবনে।

অমসুং হায়গে পোং য়ুম্ফমগী ময়ায়দা লাই নিংথৌ পাথংবগী নাউকম নাউয়োম অনিপু লিক্লাইগী চফুদা হাপত্তনা মুক্তাগী কেকান্না কুপ্পিরবে। অমবকী নাউকম নাওয়োম অনিমাবু সনাগী চফুদা

হাপতনা মুক্তাগী কেকায়া খুম্লিএ। অভিংকোক শিদবগী নাউকম নাউয়োম অনিমাবু লুপাকী চফুদা হাপ্তনা পোহালকী কেকামনা খুম্লিবনে। পুরৈরোম্বগী নাউকম নাউয়োম অনিমাবু তম্ফাগী চফুদা হাপতনা মনিগী কেকাম্না খুম্লিবনে। হায়খিবা অসি থৈবিকপু ময়ায়দা কোয়রিবনে। অদুদি খুত্নপ তরেৎ লুনা লৈএ। অদুগী মনাকতা ম'ই কোপা সুও অমা লৈএ। মশক্তি মীগী মশক্লে। মচু ভোএ। মনায় নোংপোক পাংএ। মমিং পোং কৌএ। পোং পোকএ। অখোং অরিং করাম্বা রারিংকোন কৌএ। অদুবু তাউ-রোইনাইনা মমৈবু ময়ানা চিকনা কোনশিবনে পোং য়ুমকমগী কোপরু পাংবা য়ুমজাউগী নোংপোক খুনখোং লাইকী নোংচুপ অনিমাদকী ময়ায়দা হৈজাং শিদবনে মনাক্তা রাং মপান অমা হৌরিবনে। মতুবু তাউরোইনাইনা সুওকী মশককুম্না মমৈবু ময়ানা চিকনা কোনশিএ খঙও। মমিংদি ভাংহিংলেন হৈশংবা কৌএ।

অমম্বুং হায়কে খুম্ব্বাংয়ায়দা হি কোপা য়াই কোপা সুও মরি লৈবনে। লাই অমদি মকোক্তা জত্তা পুইএ। মমিংদি মহাদেবো কৌএ। মনাক্তা যন্দনবা লৈবনে। মনাক্তা লাইরেম্মা নামুংবী লৈমরেল লৈবনে। লাইশক অরেপ্পবে। মমিংদি পারবতি কৌএ। ঋতু চেল্লিবা লাইদি অসিনে। লাই অমদি শিবো কৌএ। মখুত্তা তাশোন পায়না লৈএ। মনাক্তা লাই অমা লৈবনে। মশকতি লাই হিংচাগী মশক লৌএ। মরৈ ইতম তম্না লৈএ। মচুদি অমম্বনে মমায় ঈগুম ভাংএ। ফিজেৎতি নোংথাংকুপ ফিজেৎনে। মমিংদি পাম্হোইবীসুং কৌএ। কালিকাসুং কৌএ মমায় নোংচুপ পাংএ।

মখোয় অসিদি ঈ চাবা লাইনে ষম্ন', হাঙেংনা লাংও। নিংথৌ পুন্সিএ। মনাক্তা য়াই কৌপা হুণ্ড তরেৎ নৈপনে। মশক্তি লাই-শকনে। তরেৎমাকী মমিংদি, তোকপা শাওইবা কৌএ। অসিসু ঈনা লাংলো। অরাংগী চিঙ্খে থংবদা হি কৌপা হুণ্ড তরেৎ নৈপনে। মশকতি লাইশকনে। য়েংবদা অকিবগী মশক্রে। মমিংদি ভুত কৌএ। মখোয় তরামরিমা অসিনা কোয়না ঙাক-লিবনে।

অমসুং হায়গে মনাক চিঙ্খে পাংবদা থুত্নপ অহুমকী মতমদা হি কৌপা হুণ্ড অমা নৈবনে। মচুদি উক্কক মাল্লে। মশকতি লাইশকনে। য়াম্না কিবগী মশক্লে। মমায় লাইজি পাংএ। উতিললুক কৌএ। অওক, অচৎ লাইনে। মখোয় তরামঙামা অসিদি শারম তরেৎ; ঙারম তরেৎনা লাংও। কুমগী লাংদাইদা তৌও নৈফএ। য়ুমচাউগী মৈরম নোংছুমশঙগীদি কোংপোকলমদা থুত্নপ কুনমঙাগী মতমদা পাখংবা পুণ্ড নৈবদো' অদুদা য়াই কৌপা হুণ্ড অমা নৈবনে। মশকতি লাইশকনে। মচু ঙৌএ। মমায় থা পাংএ। মমিংদি হিং সনা কৌএ। ঈ অমনা লাংও। নিংথৌগী পুন্সি নিক্কম্লে।। নোংগুমশঙকী লাইজি পাংবা য়ুমজাউকী মথা পাংবা অনিমাকী মরক অন্থদা সনাগী শঙকাই নৈবনে। মহুংদা য়াই কৌপা হুণ্ড অনি নৈবনে। অমদি লাইশকনে। মচু ঙাংএ। মমিংদি চিঙ্খে কুরু কৌএ। অমদি রাবাচেংচা নিংথৌবা কৌএ। য়েন অঙৌবনা লাংও। পুন্সিবনে। য়ুমজাউ মনিঙকী নৈফেদোমদি মহৌশানা লোক কৌএ। পোইরৈতোম্না রায়েনক্লে। হে চকও

নয়ামমা ঙাইবদি লফুৎ লৈনা থাও। হেপু ঙাইবদি ফিবুল লৈনা থাও। হায়রম্বা মরুম্নে। চেগায়ক্কৈদা য়াঙ্ক কৌবা মুঙ অনি লৈবনে। অমদি মীগী মশকনে। মচুদি রাঙখাংনৈএ। মমিংদি খম্বা য়াংতৈ কৌএ। অমনা লম্নোঙ্গুঙ কৌএ। অনিমাদি নোং-চুদরবদা ওকনা লাংও নোং চুইএ। চায়রেন য়ুমফমদা য়াই কৌবা মুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশকনে। মচুদি মেমাঙ্গে। মমায় মথা পাংএ। মমিংদি লৈফোলঙঙ্খী কৌএ। ঈরাত্তি হুইনা লাংও।

অমসুং হায়কে মোংবা শঙকাই কৌপরু পাংনা খুঙ্গুপ কুন-মাখোইগী মতমদা মুঙপোকপি লমথাংপুঙ কৌপা লৈবদো হি কৌপা মুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীকী মশকনে। মচু মুই। মমিংদি লহিংমু মুঙপোকপি কৌএ। ঈরোই অঙোবনা লাংও ফৈএ। য়ুশোপুঙগী মৈরমদা খুঙ্গুপ তরুক্কী মতমদা মারচিংপুং লৈবনে। অঙ্গুদা য়াই কৌপা মুঙ অমা লৈবনে। মশকতি লাইশক্নে। মচু ঙাংএ। মমায় লাইজি পাংএ। মমিংদি মারজিং কৌএ। ষন্না লাংও। ফৈএ। মৈতাল পুঙদগী হি কৌপা মুঙ অমা লৈবনে। মশকতি মীগী মশক্নে। মচু ঙাংএ। মমিংদি লৈহিংনপ কৌএ। হামেংনা লাংও। ফৈএ।

অমসুং হায়গে য়ুমজাউগী চপুক কারনগী ময়াইদা য়ুমজাউ লাইরেম্মগী সনাগী তরেং য়ায়দো লৈপনে। খুঙ্গুপ মঙা লুনা লৈবনে। চাংবী হিদেম্দা য়াই কৌবা মুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি

লাইশকনে। মচুদি নাপু মানলে। মমায় মৈরম পাংএ। মমিংদি লৈমরেল য়াইকুবী কৌএ। ষম্না লাংও নীংবা থুংএ।

অমস্তুং হায়গে মীরেপ পুঙদা য়াই কৌপা স্তুঙ অনি লৈএ। অনিমাকী মশক্তি মীগী মশকনে। মমায়দি মৈরম, অরাং ওনলে। মচু শংবানৈএ। মমিংদি অমনা মাঙরাইবী কৌএ। অমনা তুংরাইবী কৌএ। হামেংকী ঈনা লাংও। মীবু ঙাএ।

অমস্তুং হায়গে হুপী থোংগী মথা পাংবদা লৈবা লাইকমদো মোংবা শাকল কৌএ। অমস্তুং হায়গে। মোংবী চীংগী পন্তা লৈবা লাইকমদো বাইহুনা হুগোই শাকয়ে। লাইনিংথৌ খোঙ-তেকচা য়োইরেনবগা কমথৌ হুমফুমরিমাকা নোংকাকয়ে। অমস্তুং হায়গে। কুচুকী তুরেল মপান্দা লাইকম অমা লৈবাদো। থুহূপ মরি লূনা স্তুঙ অমা লৈপনে। স্তুঙ অতুদি য়ুকোকয়ে। কুশঙ পাংকী তুরেল মপান মংকৌদি মোইরাং পাংবদা থুহূপ কুনতরেংকী মকমদা লৈবা লাইকমদো য়াইচম পাংনে।

অমস্তুং হায়গে কেক্রু চীংগী নোংপোক লাইজি পাংবা লম থুহূপ তরুক্কী ষন্দুকমগী মথা পাংবা থাবা পুঙকী কোপরু পাংবা মকম অতুদা লিকলাইগী শঙকাই লৈবনে।

অমস্তুং হায়গে হায়হৈদবা সনা চীংকী মশা অনিমানা তমথ-রিবা জমেন চীংগীদি মথা নিংথোল চীংগী মচি স্তুঙবঙ খোংকী ময়ায় থাকী ঈমকমকী তুথুপ। মকম অতুদা লৈবা লাইকমদো অতুদা অসিবনে, অত্যানে, পাথংবনে অহুমমানা কুরুবু খল্লিবনে। মথক্তা থরানমিচাক নিংথৌ শিদবনে। লাংয়েন তরেৎমানে।

[illegible]

[illegible]। মথক্তা হুণ্ড অমা থারিবনে। [illegible] [illegible]। [illegible] পুন্সিএ।

অমম্মুং হায়গে লাইতিনকোন্দা লৈবা হুণ্ডবু থায়না [illegible] [illegible]কোইবীকী ময়ায়দা লাইকম অমা লৈবদো। হি কৌপা হু[illegible] [illegible] লৈবনে। মশকতি লাইশকনে। মচু ঙাংএ। থুহুপ [illegible] [illegible] লৈএ। লাল্লু চাবা লাইনে। মমিংদি চাইসনা কৌএ। মিং-থৌনা লালকারবদা লাল্লু চনখয়ে। মসিদি অরুবা হানে। মহু[illegible] [illegible]বাংলমদা থুহুপ তরুক্কী মতমদা লাইফংথৌ লৈবনে। মথক্তগী হুণ্ড অকোয়বদো মথা হোবনে। মতুংদা য়াই কৌবা হুণ্ড অমা লৈবনে। মশকতি লাইশক অয়েম্পনে। মচু দি সনা ফুদোংব[illegible]মএ। [illegible] হুংশা শাবগুম ঙাল্লে। মমায় মৈরম পাংএ। মমিংদি চকপা লাই মাংদবী কৌএ। মথাদা হুণ্ড অঙৌবা থারিবনে। হুণ্ড অহুগী মথাদা সনাগী শঙকাই লৈবনে। মতুংদা হি কৌপা হুণ্ড অমা লৈপনে। মশকতি লাইশকনে। মচু হাঙনা মুইএ। মমিংদি সিব কৌএ। অরুবা হানে। ময়ায়দগী থুহুপ তরেৎকী মতমদা থোং অনিমাবু হুঙনা নল্লিবনে। নোংপোক মৈরম পাংলপ্লাদনে। মমিংদি য়াইরেন কৌয়ে। লীয়েন কংশিম্মুং কৌএ। ওক্লা লাংও। মীবু ঙমএ। নিংথৌ পুন্সিবনে। পাং অহুগী মথা হুণ্ডকোয়বীগী মৈরম চিথেক্তা য়াই কৌপা হুণ্ড অমা লৈপনে। মচু ঙৌনা মুইএ। মশক্তি শাপুম্মা ঈরৈরাং ঙাক্লা লৈবনে। মিংদি হ হিং কৌএ। য়েন লাংও নীংবা থুংএ। লাই অহুগী নোংচুপলম থুহুপ অহুম মথাইগী মতমদা পাং অমা লৈবনে। পাং অহুগী নোংচুপ্পম

খুহুপ মরিকী মতমদা লৈবা লাইকমদো য়াই কোবা নুঙ লৈবনে। মশকতি মীকী মশকনে। মচুদি ঙাংথাংনৈএ। মথুংতা শেলকী মলা পায়রিএ। মমায় মথা পাংএ। ওকনা লাংও পুন্সিএ। পাং অহুগী নোংচুপলম খুহুপ মরিকী মতমদা পাং অমা লৈবনে। পাং অহুগী অরাংদা খুহুপ অহুমকী মতমদা পাং অমা লৈবনে। পাং অহুদা ঊথুম নিংথৌকা, হঙোইকোন্দে হুরাবীকা অনিমানা লৈএ। কুমদম কুমথাইকয়ে। পাং অহুদা নিংথৌনা অহিং নোংমাইদা ভুংকোন ভহোবা অমা থ দা থাংদনা ইশভোপ অমা পাইদনা লাই-মিং হাইদনা কংলালম শিংচিল্লবদি লৈপাক চাওএ। শিংভোক্লবদি লৈপাক তাকএ থংও। পাং অহুগী কৌপরু পাংনা খুহুপ মরিকী মতমদা লাইকম অমা লৈবদো। য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈপনে। মশকতি মীকী মকোকনে। মমিংদি মকোক কৌএ। অহুবু নুঙনা নম্না লৈবনে। সনা শঙকাইকী নোংপোক পাংনা খুহুপ অহুমগী মতমদা য়াই কৌপা হি কৌপা নুঙ তরা লৈপনে। মশক্তি মথোয় ওয়ংকী মশক্লে। মচুদি অঙৌবনে, অরাউবনে, মেমানবনে, অসিনে। মমিং অমদি শক্তিবী কৌএ। অমদি য়াইসনা কৌএ। অমদি হি পোকপী কৌএ। অমদি য়াই পোকপী কৌএ। অমদি নুঙমু ভুমদবা কৌএ। অমদি তাওবীরোইনাই কৌএ। অমদি য়াইসনা হাঁ কৌএ। অমদি হিকুবী কৌএ। অমদি য়াইকুবী কৌএ। অমদি য়াইরৈমনে। অসিবু তাউরোইনাইমা মমৈবু ময়াদা খিনফিন্দনা চিরা কোনলিএ। ঈরাত্তি ওক্লা, মম্না লাংও নিংথৌ পুন্সিএ। অহুকী নোংপোক চিঙ্খেকী চিংথকা লুখ্রা

পাংলে। য়াই কোপা হুও অদি লৈএ। অমদি মালেম কৌএ
কৌএ। অমদি মমৌ কৌএ। অনিমাকী মশক্তি মীনে মচু
চৌএ। মমিংদি চিথৈ-থু কৌএ। লৈমরেম্মা পোকপা মচানে। মমিং
অসি লৈশেংবদি খোংজোমনুবী তরুক্কা কুপ্পকপমে। ঈরাক্তি রেমগী
ঈনা লাংও কৈএ। লুপ্রা পাংকী নোংপোক্কম থুত্পপ অমা মথায়কী
মতমদা য়াই কোপা হুও অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্কে-মচু
রাওএ। মমায় অরাং পাংএ। মানা তেখাও পোকএ। মমা
লাংও কৈ। লুথ্রা পাংকী মথাথংবা থুত্পপ অহুমগী মতমদা মশক
তরেং লৈবনে। য়াইগী নোংপোক্কা থুত্পপ অমা মথায়গী মতমদা
খমনুং লৈবনে। অহুদা য়াই কোপা হুও অমা লৈপমে। মমিংদি
খমনুং হুওশওবা কোনা লৈবনে।

অমমুং হায়কে মুণ্ডকোয়পীগীদি কোপরু পাংবা, থাবগী
মুস্কমগীদি মৈরম অনিমাদা হুওপুও কোবনে। অহুদা য়াই কোপা
হুও অমা লৈবনে মশক্তি লাইশক্কে। মচু গাংএ। মমায় মৈরম
পাংএ। মহাক্তি অসিবা কুরুনে। মমিংদি হাইপাক কৌএ।
ওক্রা লাংও কৈএ। লৈশাপুওগী নোংচুপলম থুত্পপ কুনমাথে.ইগী
মতমদা হুওকোয়পী কোবা কোপরু চিথেক্তা মীকুপপুও লৈবনে।

অমমুং হায়কে লাইতিনথোনবী মোইরাং পাংবা চিথেক
অহুদি মীরাওপুও কৌএ। অমমুং হায়কে হুওকোয়বীকী নোং-
চুপলম থুত্পপ তরুকী মতমদা তরৈ লাংবী লৈবনে। অহুদা য়াই
কোপা হুও অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্কে। মমায় থা পাংবা

উত্রাক্লনা হিপলিএ। অখিংদি তাঙোই লৈরাম্বী কৌএ। ওক্লা লাংও লৈবাক মন্না চেংলে। লৈরাম্বী নোংচুপ থুহুপ অহমকী মতমদা লাংশংলে। শিনাই শঙমুং কৌএ। অহুদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈএ। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি ঙাংনা লাংএ। মখিংদি ওংলোতোন লোথিবা কৌএ। অশিবা কুক্লদো মহাক্লে। কংলৈগী লৈথোঙদি অসিমা থৈয়ে ওক্লা লাংও।

অমস্থুং হায়কে উত্রাগী নোংপোকলম থুহুপ তরাকী মতমদা কংলৈগী সনাথোঙনে। ময়ায়দা মুঙ শো শাবনা কৈনা থিংলিবনে। ওক্লা, য়েম্না থিংও। সনাথোঙকী নোংচুপলম থুহুপ কুনহুমদে.ইগী মতমদা মোইরাম্বা কৈথেলনে। অমমুং হায়কে কুচুকী মথায়ম ভুয়েল লমকী থোঙ অহুদি শামুথঙ কৌএ। শামুথোঙ অহুগী নোংচুপতা ভাইবোং থোঙ কৌএ। ভাইবোং থোঙদগী কৌপক্ল পাংবা লম থুহুপ অহুমগী মতমদা শাপোং চীংকী নোংচুপ থংবা লোকসাং উত্রাগী থা পাংবা চিথেক অহুদা লুরাং নোংহুম কয়ে। মকম অহুবু লুরাং থোকবাপোক চেঙ পান কৌএ। মকম অহুদা য়াই কোপা সুঙ অনি লৈপনে। মশক্তি লাইশক্ল। মচু য়াঙএ। মমায় মোইরাং পাংএ। মখিংদি থোবনম চেংনম্ব কৌএ। ঈরাস্তি ষম্না লাংও। অমমুং হায়কে লুবাং পুন্সিবনা ময়াম্বাবু শিরম্বা হায়না লৈবাক্তা ফুমলে। মখিংনা উচেক লাংমৈ ওইখিএ। লুরাংকী কম্বীনে। মাবু লাংপদি ঈয়োই অঙোবনা সায়াং থায়দনা উপমা লোংনা ফুমও। অহুগী লুমাং নোংহুমলঙ কৌএ। নিংথৌ পুন্সিবনে। নোংহুমকমদগী অরাংজম থুহুপ মডাগী মতমদা মনিপুঙ

লৈবনে। অমসুং হায়কে নোংছুমকমগী মোইরাং পাংলকপা খুহূপ মঙাকী মতমদা লৈবা সুঙচাউ অহুদি লুকৌ সুঙনে। সুঙজাউগী অংবাংদগী পক্সা সুঙ লৈবদো। য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীকী মশ ক্ল। মচুদি মেম্যাল্লে মমায় মৈরম পাংএ। মমিংদি য়াইলৈমা কৌএ। য়েন অঙৌবনা লাংও কুবিয়ে। শামুখোঙগী মথারম খুহূপ মাপনগী মতমদা পুঙশং পাংনে। মম্না লাংও কৈএ। কুমশঙগী নোংচুপ্লম খুহূপ মরিগী মতমদা য়োইরেনং শঙকমনে। অহুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্লে। মহাক্তি লৈওই নোংওইবা লাইনে। মমিংদি অত্যা কুরুনে। ওকনা লাংও কৈএ।

অমসুং হায়কে লুকৌসুঙগী মথাদা খুহূপ মরিগী মতমদা কৈথেল লৈবনে। ময়া অরাংথংবা সুঙ ময়াদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি শংবাম্নেএ। মমায় খা পাংএ মমিংদি সনাকৈথেল নিংথৌবা কৌএ। মনাক্তা লুকমাই লৈবনে। লাইরেম্মা তরেং লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্লে। মাদি মেমাবা অশংবসুং য়াওএ। অহুম্না নোংচুপ পাংনা কমএ। অহুম্না মথা পাংনা কমএ। অমদি লাইজিরম ফমএ। মসিবু কৈথেল লাইরেম্মা তরেংমা কৌএ। মম্না লাংও। চাক-ঙা হোঙএ। সনা কৈথেলগী নোংচুপলম খুহূপ তরাকী মতমদা মাইবা লোই-শঙনে। অহুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচু ঙাংএ। মমিংদি ওকমারেন সিদবা মারাচিং কৌএ। মাইবা লোইশঙগী নোংচুপলম খুহূপ তরানিপালগী মতমদা ফৌকৈনে।

য়াই কোপা সুঙ অমা লৈপ:নে। মশক্তি লাইশক্লে। মমিংদি পুংচিন্তা চিলাবী মপুম্না কৌএ। চনিংদা কম্নিবৈঙৈকী মমিংদি সনা কোনশৌয়েন চাশৌবা কৌএ। ওক অমুবনা লাংও। মাইবশঙগী মথারম থুহুপ মৌম্রা মতমদা শঙংবৈনে। অহুদি পাথংবা লাইসনা অনিমাকী কিশেংকয়ে। শঙলাংবৈকী কোপরু থুহুপ হুমফুকী মতমদা কৌকৈকী মনিংদা লাইবম লৈবদো নোংপোক পাল্হোইবীকী থাংকোল মকয়ে। লাই অনিমাকী নাওকমবু লিক-লাইকী চফুদা হাপতুনা লুপাকী কেকামনা থুমদনা থুহুপ মরি লুনা লৈবনে। হামেং অঙৌবনা লাংও পুলিবনে। সনাথোঙকী মথা পাংবা লম থাথোংনা তারকপা তুয়েন মপাল লুকৌ সুঙকী নোং-চুপলম থুহুপ অহুমকী মতমদা তেনগৈখা কৌএ। অহুগী সুঙজাওগী নোংপোক্লম থুহুপ অমা মথায়কী মতমদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্লে। মচু শংএ। মমায় লাইজি পাংএ। থোঙগ্রাই চম্না কমইএ। লাই অহুনা থা পাংনা কাপ্পা তেন অহুবু পায়দনা তেনকী মচিনবু লৈময়েনকী মথুনদা থিনজিম্না থম্লিএ। মমিংদি লৈময়েন লৈকাবী কৈহিংনপ কৌএ। ওকনা লাংও। মীবু ঙমএ।

অমস্তুং হায়কে লাংশঙকী অরাংলম থুহুপ তরাকী মতমদা য়োংখোং লৈবনে। অমস্তুং হায়কে লাংশঙকী নোংচুপলম থুহুপ কুনগী মতমদা অশৈবা লোইশংনে। অহুদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মমিংদি অসিবা কৌএ। ওকনা লাংও। অমস্তুং হায়কে শনথোংগী নোংচুপলম থুহুপ চনিকী

মতমদা চীংঙ্গুংহং লৈবনে। অহুদি কাকয়েনবী থবাকনে। অহুদু থবৈ লৈকে কৌএ। অহুবু খোঙ শিংশি বনে। লোনবী পৌমোল লোকিবনে। অহুগী অরাংবম থুংপ অা-পী মতমদা পোকইনৈকোনা মমিং কৈদ্রা হঙবা কৌনা খোঙ ভারিএ। মখিংদি মৌক্ষ মুঙ শঙবা মৌক্ষ মুঙপাকথক্তা লাইবে তোনবান শুনা অসি চানা নোংখারবা মচংবা চানা নোংমক্কনে। মাবু লাংখদি মমা লাংও। শিবা চিংথোকএ। অমম্মুং হায়কে অয়াং থংঙ চেকপাল মমাদা লাইকম অমা লৈবদো য়াংবন শৌবাইবীকী থুকংঙ্কা। অমমুং হায়কে খোং অহুগী মমাকা মুঙ অমা লৈরিবদো। মুঙ অহুগী মখাদা হুনিনরে থোকপা ননশিবনে। মুঙ অহুগী মথক্তা মুঙপাক অমা থারিবনে। মুঙ অহুগী মথক্তা থমজিংকোনা কমদনা থোদ রিবনে। হে মীওইব-শিংও। অকনবদুং করে। কতকদু কক্তরে। ইনাক থুনবদুং থুনসে। লায়রবদুং লায়রসে। অবল দুং কনসে, অশোনবদুং, শোনসে। অকনবদু অশোনবনা কিও হ য়না খোদাবএ। অহুগী চৈরাকপু মথারম চিংথনা শাইএ। মাবু লাংপাদি মমা লাংও মীবু ওদএ। অমমুং হায়কে খোঙ অহুগী মমায়দগী মথারম থুংপ মমাগী মতমদা-য়াই কৌপা মুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি লাইশঙ্কে। মচুদি সনা-মংবতাওকী মচুনে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মুঙলেন শিদবা কৌএ। ওকনা লাংও কমনাইএ। মুঙ অহুগী নোংচুপলন থুংপ মমাগী মতমদা চৈরাপকী শাইপু লংচৈকী মপামমাই লোপা মুঙ অমা লৈপনে। মশক্তি মীকী মশাক্তে। মচুদি মেনানরনে মতাম অমাং পাংএ। মমিংদি অটেক্ষ কৌএ। মমা লাংও কৈএ।

পোৎচেং কনাং থংবা মরাদা লৈবা। পুক অহুমদি মখাদা তোঁক অনিশাবো।" অমদি পথংবনা পাকনবকা হুমাইরেল্পা, পাকনবনা হনবাদি পাখংবসা মচুংগী মচৈ চৎকে। পাখংবনা হনবদি অবাক নুংজেল থুংবা চঙ-খরে।" অহল্লা পাখংবা নংদি লৈচুপ মাত্রৈক লাকক হায়রগা পাখং-বনা মুৎথেংগী মুক অমা লৌদনা নললিবন্নে। অহুম মথক্তা নললিবা মুকখাউ অহুমদি লোংখৎনিংগী মুংশিংবা পুখরকপা হুৎলে।" মকন অহুম থানকম কৌএ। ঈমাংডি ওকনা লাংও।" মীবু উমএ। মুক অহুমগা থুংখ-খুংবাক নললিবনে। অহুম লৈচেৎত থানকম কৌএ। পুক অহুমী পুকথোং লোংপোক পাখো অহ থুংপ অমা মথাংগী মতমদা মাই কৌপা মুক অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্নে।" মচু মাওএ। মমিংদি ওক কৌএ। মানা মৈথৈ মানবী পোকএ।" যম্না লাংও মীবু উমএ। মুক অহুমগী অমাং পাংলপ থুংপ অনিগী মতমদা তোকপা মুক লৈবনে। মশক্তি লাইশবনে।" মচুদি উকক মাখলে।" মমাক নোংচুপ পাংএ। যেমা লাংও থোকপনে। তোকপা পুককী লোংপোকলম থুংপ মরিকী মতমদা হমকম লৈ-বনে। মাই কৌপা মুক অমা লৈবনে। ঈ অথনা লাংও হনবনে। মমিংদি হমপুক কৌএ। হমপুককী মথা লৈরক থুংপ অহুমগী মতমদা মাই অমা লৈপনে। মমিংদি তোয়াই কৌএ। অহুম তোমপুক কৌএ। মেন অক্লোবনা লাংও হানকএ। মুকখাউ অহুমী লোং-চুপলাক-থুংলপ ওককী মতমদা লৈবা লাইবকথদো লাই অমা লৈবনে। মাসা পাংলপ মকোকতা তাইএ। মওংদি শা মকোকুম্পএ। মথা মকথক লৈতে। মমাক লোংলোক পাংএ। মমিংদি শাকোক কৌএ।

শাকোক পুঙকী মথা পাংনা খুত্থপ তম্লেংকী মতমদা লাইকমগী য়াই অমা লৈবনে। মচু ঙৌয়েকনৈয়ে। মশক্তি ঙশকয়ে। মমিংদি ঙাকোক কৌয়ে। অনিমাকী ঈয়াত্তি শায়ম তম্লেং, ঙারম তম্লেং, পুকয়ু, লাইয়ু মাচম হৈবী মনা শিংজু, কবোক নাচন তম্লেং য়ুম্না কানা লংও। মীবু ঙম্বনে।

অমস্থুং হায়কে ময়ায়গী হুৰূপাকী মথাদা অতিয়া কৌথা ভাউয়োইনাইনা মথা কাকনা ঙক্লিএ। লাই অত্থগী মচুদি হিগোক মানলে। মাগী ঈয়াংত্তি চকু অমদা শায়ম তম্লেং, ঙারম তম্লেং হাপতনা নাপী ময়ম তম্লেং, য়াংগেন শুমচিং য়াওনা লাংও। ওক্কী ঈনা হৈংও। মীবু ঙমএ। মাদি মী চাবা লাইনে। মাদি মী কৌনা লাংও। মকম অত্থবু শায়া মী তুকম চৈরাক রয়েল কৌএ। অমস্থুং হায়কে লইশাবা কমশঙকী কারন্দা হি কোপা হুঙ অমা লৈবনে মশক্তি লাইশংক্র। অফ-কত্তা বাচুম্বা কৌএ। মাবুস্থুং শেনফি কাত্তি কৌএ। লৈবাক রায়েল চুমত্রবদি হুঙ অহ্দা ওক্লা লাংও। কৈএ। অমস্থুং হায়কে। খোঙগীদি মথারমদা খুত্থপ মাপনগী মতমদা কমকাশঙগী চিংথৈ শুমজি অহ্দা য়াই কোপা হুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচু ঙৌএ। মমায়দি মখা পাংএ। মমিংদি লাইনিংথৌ মীখোম্বা কৌএ। ঈয়াংত্তি ষম্না লাংও। নিংথৌ পানবা লথা মাপনমাবু লোইচনকয়ে। অহবু লোইখোমপুঙ কৌএ। মনাক্তা মকু কোপা অমনে, মমৌ কোপা অমনে। অনিমানা ওংনৈএ। মাকী ঈয়াত্তি শায়োম চাকয়োমবু তুংওইননা লাংও। খঙও। নিংথৌনা মচন-মচা, মথৌ-মমা মতোন

খঙত্রবদা মতৌংদা লাংও কৈএ। অমসুং হায়ংকে সুঙলেক্কী নোংচুপ পাংনা থুচপ মরিগী মতমদা থোঙকী মথা থংবা চেক মম্বা অঙগী লাইকমদো শিংথাকমনে। শিংথাকমগী মথাদা থুচুপ মরিগী মতমদা শিংথোমপুঙ লৈবনে। মীনা হকনা দোশা কত্রবদা য়েনকী ঈনা লাংও শিংকাবনে। মীবু মাঙহনকে হায়রবদা শিংথোম্ন পুঙদা হৌদোংগী ঈনা লাংও মাঙবনে। লোইথোম পুঙকী মৈয়াম থুচুপ তয়েংকী মতমদা কমকাশঙগী চংকী মপাদা থাগেম্বা পুঙ লৈবনে। সুঙ অমা থারিবনে। থাগম্বগী থুভমনে। অহুবু কৈ-শুম শঙ কৌএ। য়াথোক য়ামবদি ওকনা লাংও কৈ। অমসুং হায়কে কমকা শঙকী শাইপু লাংখৈদা য়াই কোপা সুঙ অনি লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি অমনা ঙোএ অমনা ঙাংএ। মমায়দি অরাং পাংএ। মমিংদি পুরৈরোম্বা কৌএ। অসিবা কুক্রু লিদবা কৌএ। চৈরাপপু পূরিবা লাই অনিমা অসিনে। অমসুং হায়কে লৈতোংকী নোংপোকলম থুচপ মঙাগী মতমদা লৈবা লাই-কমদো শিংথাকমনে। অহুদি অসি গী শিংথাকমনে। অহুদা য়াই কোপা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশকনে। মমিংদি খমলুঙ শিংসুবা কৌএ।

অমসুং হায়কে মরোংথোংনা তারকপা ঈরোংদা সুঙ অমা লৈবনে। সুঙ অহুদি হয়িচকতৈদা চিংঙা-পিশুম মানা পাইথোক-তৈঙদা চীখৈ কুরুনা মাগী চৈশুনা থিংকাইলোদনা সুঙ মরি তাহোএ। অমনা থাই সুঙজেংবনা সুমিং কাপ্পদা লোদনা খুদা ওইনৈএ। অমনা ঈরোংদা লাইকম খঙনবা থাজিবনে। মফম অহুদি নুমাং

পুন্সিবকা তোইবী লৈমকা অনিমাসা ঙাংমকমনে। অমন্নুং হায়কে শায়া মীতু পুঙদগী থুহপ কুন্দ্রানিথোইকী মতমদা য়াই কোপা লুঙ ১ লৈবনে। অহুদা লৈবদি থাংকম পাংকী ময়ায়দা লৈবনে। মশক্তি শাগী মশক্লে। মমায় নোংচুপ পাংএ। মহাক হিপলিবনে। মাগী মচৈবু তোকঙাদা পিনা লৈবনে। মমিংদি থেবা তোদোন তোংবা কৌএ। ঈর ৎতি তোদোন তরেৎ, তো মরা তরেৎ খাজিনে শাদি ওক্না লাৎও। লাংকম হেল্লে পুন্সিএ। অমস্তুং হায়কে খাগেম্বা পুঙদগী থুহপ নিফুগী মতমদা খাথোং লৈবনে। খাথোংদগী মথা পাংনা থুহপ চনিকী মতমদা জুংশিং লুঙ কৌপা খাপুঙ লৈবনে। অহুদা য়াই কোপা লুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি ঙাংএ। মমায় যোইরাং পাংএ মমিংদি থাংচিং কৌএ। জুংশিং কলবদা ঈ অমনা লাৎও কৈএ। অমন্নুং হ য়কে মরোংথোংকী অরাংলম থুহপ তয়াকী মতমদা লাই অমা লৈপনে। অহুদি তোইবী লৈমা হিদেন কৌএ। অ:দা য়াই কোপা লুঙ অমা লৈ-বনে। মশক্তি মীকী মশক্লে মচু মাওথাংনৈএ। মমায় নোংচুপ পাংএ। মমিংদি তোইবা লৈমা কৌএ। মিংথৈদি মরাং লুঙ কৌএ। মনাক্ত লুঙকী থুদেং লৈবনে। এন অঙোবনা লাৎও কৈএ। তোইবী লৈমা হিদেন্দ্রকী অরাংলম থুহপ মরিকুতরাগী মতমদা লাইথোং লৈপনে। লাইথোংকী অরাংলম থুহপ য়াথৈগী মতমদা পুঙ অমা লৈবদো। অহুদা হি কোপা লুঙ অমা লৈবদো। মশক্তি মীগী মশক্লে. মচুদি ঙোএ। মমায় লিক্কলম পাংএ। মমিংদি কৌপরু কৌএ, থমহুঙ পুঙ মচিঙ্গু কৌএ। ময়া লাৎও। অমন্নুং

তায়কে থাবা কৈদোমদা লৈবা হায়কে সুঙজেং অশিংবাকী মচুঙদা। সুঙ অমা লৈবদো পাথংবগী নাওকখনে। ঈরাত্তি য়েন মরুম লাংও। ওক্কী ঈনা লাংও নিংথৌ পুন্সিএ। অমশুং হায়কে সুংজেগী নোংপোকলম খুত্থপ মরিকী মতমদা লাইফম লৈবদো। মহৌচান-লোক য়াংহনবা কুয়াওলোক মহৌয়াকা লোক কৌএ। মফম অদুদা পাথংবনা অহিং মী ওই। সুংখিল খোয়ুম লাই ওইদনা লাই থৈথিবা য়াকাদনা লৈবা মফমনে। ওকনা, য়ে-বা লাংপশুং য়াইএ।

অমশুং হায়কে সুংজেং অহুমে সুঙজেং অহোবকী নোংপোক্লম খুত্থপ মগাগী মতমদা মৈরম পাংবদা লৈবা লইকমদো অফুনবনে। অদুদা য়াই কৌপা সুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি শাগী মশক্কে। মচু ঙাংএ। মমায় অয়াং পাংএ। মমিংদি লৈমরেল নাযুংবী কৌএ। মিংথৈদি লৈকাবী লৈহিংনপ কৌএ। লৈবাক পুরিবা লৈমরেলনে। অমশুং হায়কে সুংজেং অচৌবকী লাইকোই মচুঙদা য়াই কৌপা সুঙ তরাহুমদোই লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক মানবা মাপলনে। মচুদি অঙাংবা, অঙৌবা, অয়াংবা অসিনে। মমায় নোংপোক ওনলিবনে লাই অসিদি কাঁরি লাইনো হায়রবদি হয়িচকতৌদা নোং-পোক্লা পান্থোইবীবু লৌতৌদ লাই অয়াম্বনা হৈজিং পুতৌদা কুরুনা উরহুনা পুহৈদে নাযুংএ হায়না থাগ্নবদা, উমংলাই মাপনদি হন-লয়োই ইকায়এ হায়না লৈহৌবা লাইনে। মরিদি মণকী মশক মানবনে। মখোয় তরাহুমদোই অসিদি মমা লাংও কৈএ। অমশুং হায়কে পুঙ অহুমগী নোংচুপ পাংবা লম খুত্থপ মরিকী মতমদা

পাখংববু থুইনা হাৎনবা চৈনে। পাখংববু লাইসনাম্ব ল্মোং তরেৎন থোম্নে। অ'সনা মকম অহুদা লৈবনে। অমম্বুং হায়কে মুঙ্গঙ্গং মপান্দা লৈপাক লৈখাকী নাওকম্বু মুঙ মরিনা ননলিবনে। অমম্বুং হায়কে মুঙঙং অপিশাকী নোংপোক মৈরম পাংনা লৈবা লাইকমদা লাইসনানা কো কৌকম্নে। মকম অহুবু পাখংবা নোংকাপুঙ কৌএ। অগম্বুং হায়কে পাখংবা সঙ্গায়কী চবুকী মতমদা নোংপোকলম থুহপ তর.তরুকী মতমদা চেকপল ময়াদা লাইকম লৈবদো কুরু অহুমমাকা কমকমনে। নিংথৌগী পুন্সি নিকমনে। ওক্না নিও পুন্সিএ। অমম্বুং হায়কে থুয়োম্ন তোমপোকী সঙ্গায়গী অরাং কৌপরু পাংনা থুহপ তরেৎকী মতমদা কুরুকী কাংখোল লৈবনে। অমম্বুং হায়কে কাংখোলগী মৈরম পাংনা থুহপ অহুমকী মতমদা সঙ্গায়গী অরাং পাংবা মকম অহুদি পাখংবা থোয়বুঙ লৈবনে। অমম্বুং হায়কে থোয়বুঙকী মথা পাংনা সঙ্গায়গী কৌপরু পাংবদা থুহপ মরিকী মতমদা লৈবা লাইকমদো অহুদা য়াই কৌপা মুঙ অনি লৈবনি। মশক্তি মীকী মশক্নে। মচুদি হিকোক মানদে। মমায় অরাং পাংএ। মমিংদি চেংথু চেকয়াম্বী কৌএ। মথোয়না তথেল চাইয়েন পোকএ। মগকী ঈনা লাংও ওমএ। অমম্বুং হায়কে সঙ্গায়গী মথা পাংনা থুহপ অহুমকী মতমদা থাবাপুয়েল য়াই কৌএ। লাইনিংথৌগী পুঙনে। মমা লাংও পুন্সিএ। অমম্বুং হায়কে থাবা কৈদোমগী মোইরাং পাংবা চিথেক্তা লৈবা লাইকমদো কুবীচৌং কৌএ। পুরুমচাম্বুং কৌএ। পাখংববু কুরুনা কুবীবা মকমনে। ওকনা লাংও কুবীএ। অমম্বুং হায়রকমনে। থাবা পুঙ

ময়োল কৌবদি অসিনে। অমম্বুং হায়কে। তুংজেং অচৌবকী অবাং চেকয়াদা শেনকী ফুরা লৈবনে। খুরাই খুদেন অচনবা কৌএ। মতুংদা লাই অমা লৈএ। মমিংদি খুরাই তুংবা কৌএ। হায়হৈদে। অমম্বুং হায়কে পানকৌকম কৌবদি তাওয়োইনাইনা পানকৌএ। অতুগী পানকৌকম কৌএ। অদৈদে লোকলেন কৌএ। নাকনবমবীম্বুং মমাঙদি শাশিলপুঙকী অয়াং পাংনা খুত্থপ অহুমগী মতমদদনে। অতুমু কাইহোম পুঙ কৌএ। য়েমা লাংও।

অমম্বুং হায়কে লম চামা তরুকমাবা চিথবা তরেংম৷কা অতুনা লৈবা মকমদি চংনিং শোইকমদা লৈএ। মখোয় অসিগী মশক্তি ফুরা তরেংমাদি মথুং পানদে পাখংবা তরুকম৷দি খুবলু পান্দে। মশক্তি মীগী মশক্তে মকমদি হুইনিং মখোঙদনে। মখোয়না পোকপা মচ দি থেবা তরেংমানে। মখোয়না লৈবদি য়াওরৈবীনে। ওকশঙদা লাংও পুন্সিএ। অমম্বুং হায়কে নোংশাবা কৈদোমকী বাবু হায়য়ক্তে। কৈদোম মাপননে। ময়ায় কৈদোমকী কায়ন্দা য়াই কৌপা হুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীগী মশক্তে। মচুদি মকোক্তকী মশাকাওবা মুই। মমায়দি ঈকুম ঙাংএ। মমায় মথা পাংএ। মমিংদি অত্রা কুরু শিদবা কৌএ। মথক্তা হুঙজাওনা ননলিবনে। ওক্লা লাংও পুন্সিএ। লাইকম অতুকী নোংপোক্লম থুহুপ তয়াকী মতমদা শেনকী ফুরা লৈবনে। অমম্বুং হায়কে নোংশাবা খোয়বুঙদা য়াই কৌপা হুঙ অনি লৈবনে। অমকী মশক্তি শোংশাকী মশক্তে মচু ঙৌএ। অমকী মশক্তি কৈকী মশকনে মচু ঙাংএকনৈএ। অনিমাসিদি অত্রানে। অশিবনে অনিমানা নিংথৌ

মখোঙ কোইনবা কৈ, নোংশা অনিমানে। মকমদি খাংহল্ল মানে। চেংপানবা মকমন্থুং খাংহত্তবানে মম্না, ওক্না লাংও কৈএ। অমস্থুং হায়কে খাংহত্তবাগী মথায়ম খুত্থপ তরুকী মতমদা লুপুঙনে।

অমস্থুং হায়কে কৈদোম অমাংদা শঙকাইনে। শঙকাইদা ছুথুন্দো নোংদারেন পাখংবগী স্থুংজোংনে। শঙকাইকী লাইজিদা লাইকম লৈবদো নোংদারেন পাখংবগী থুকমনে। অমস্থুং হায়কে যুজাও শঙকাইকী মোংচুপতা য়েকলা পাং লৈপনে। কোপরু চিথেল্লা লৈবা লাইকমদো তোকঙাকী থুকম স্নুঙনে। পাংর্তো তিনপাং কোএ। য়েনকী ঈনা হৈও। অমস্থুং হায়কে খোইবুঙকী নোংপোক লাইজিরম খুত্থপ মঙাকী মতমদা কুয়ান লোক লৈবনে। খুত্তম তৌরবদি লৈবাক মাইএ। নিংথৌ শিএ। ঈরাংতি ওকনা লাংও কৈএ। অমস্থুং হায়কে কুয়ান লোকী মথায়ম খুত্থপ তরামঙ গী মতমদা। লিপোকপী লৈবনে য়েম্না লাংও কৈএ। অকস্থুং হায়কে কংলাকা নোংশাবকা অনিমাকী মরক্তগী তুথুলদো থুকাদে লৈ কোএ। লৈশা পুঙকী নোংচুপকী -ঈরেনদো থায়াপাং কোএ। অমস্থুং হায়কে থায়াপাংকী নোংপোক্তা লুবাং চাওবম্রি খোঙনে। অমস্থুং হায়কে কৈদেনবীনা তারকপ। ঈয়োংদি থুকা ঈরেল কোএ।

অমস্থুং হায়কে থুকা ঈরেলকী অমাংদা তোপোকপি খোং লৈবনে। অতদি পাখংবা ঈকী সনা লিকম য়ানকমনে খঙও। অমস্থুং হায়কে কুয়ান লোকী নোংপোকলম খুত্থপ য়াংথৈকী মতমদা কোপরু লাইকম লৈবনে। য়েনকী ঈনা লাংও কৈএ। অমস্থুং হায়কে লিপোকপিকী নোংপোক পাংনা খুত্থপ নিফুতরেংকী মতমদা

কৌথু কোপা লাইকম লৈবনে। ওকনা লাংও। অমম্লুং হায়কে কোপরুদকী নোংপোকলম খুদ্দপ কুম্থাকী মতমদা ময়াং পুঙ লৈ-বনে। অহুদা হি কোপা মুঙ অমা লৈপনে। মপক্তি লাইশঙ্কে। অমম্লুং হায়কে খুমজাওকী অয়াংলম খুদ্দপ হুমফুকী মতমদা বাংকোন লৈবনে। বাংকোন কৈরুংবকী মমিংদি সনাখেল খোইরেল পোন-দোহিং কৌএ। বাংকোন লাইনে। অমম্লুং হায়কে বাংকোনকী লাইজি পাংবা খুদ্দপ নিফুকী মতমদা শরোইপুঙ লৈবনে। ওক্লা লাংও। অমম্লুং হায়কে শয়োইপুঙদকী চিঙৈখ পাংবা খুদ্দপ মরফুকী মতমদা সনা শংকাই লৈবনে। শংকাইকী অয়াংলম খুদ্দপ কুম্থাকী মতমদা শাদাইপুঙ লৈএ। ওক্লা লাংও। শাদাইপুঙকী নোং-পোকলম খুত্তপ মঙাকী মতমদা তিনথাক পাং লৈবনে। ঈনা লাংও। অমম্লুং হায়কে তিনথাক পাংকী নোংচুপলম খুদ্দপ নিফুকী মতমদা খোংহাম পাং লৈবনে। পাং অহুকী নোংচুপলম খুদ্দপ মঙাকী মতমদা লাইকংলা লৈবনে। অমম্লুং হায়কে সনা শংকাইগী অয়াংথংনা তকশোনপুঙ লৈবনে। হুইনা লাংও কৈএ। অমম্লুং হায়কে কুয়াল লোকী নোংপোকলম খুদ্দপ মঙাকী মতমদা লৈঙাং-পোকপি লৈবনে। অমম্লুং হায়কে পোদা হিদেন্দা মুঙ ভয়েং লৈবনে মমিংদি জুজলেন শিদবা কৌএ। অতদি করিকীনো হায়-রবদি কুরুবু অতোনবনা লোকচৈঙদা শম ভয়েংতং কেনহৌএ। মাঙকদবা মীগীনা মুঙ ওনলে খঙও। থুর মক্লে। ওকনা লাংও কৈএ।

অমম্লুং হায়কে হিদেনকী অয়াং থংবা খুদ্দপ তরুকী মতমদা

পাওতাক পুঙ লৈবনে। লাইতিনকোন কৌএ। য়াই কৌপা পুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি হিকোক্লে। মকম অহুদা লাই লিশিং কুম্ব্রা থুপনা হুমকুহুমদোইমানে। অকথা কত্তবা ময়কপু শিংখৎ শিংখাকয়ে। ওক্লা লাংও। অমম্বুং হায়কে মনাক অরাং পাংনা য়েকনা পাৎ য়েকলোই পাৎ অনিমা লৈবনে। য়েম্না লাংও কৈএ। অমম্বুং হায়কে পৌদা হিদেনকী থুহুপ মঙাকী মতমদা সনা শংকাই লৈবনে। শোরারেন অহুমমাকী শানে। অমম্বুং হায়কে শংকাইকী নোংপোক্লম থুহুপ মরিকী মতমদা লাইকম অমা লৈপনে। অমম্বুং হায়কে রাংবরেন লৈবনে। অমম্বুং হায়কে মুর্রা থুবম লৈবনে। চেংলৈকী লমনে থঙও। অমম্বুং হায়কে রাং-কোল লৈবনে। অমম্বুং হায়কে মনাক্তা শাহোম পুঙ লৈবনে। ঈরাংলো। অমম্বুং হায়কে লাইথুংখোং লৈবনে অমম্বুং লাইশেং পাংম্বুং লৈবনে। য়েনকী ঈনা লাংও লাইকোকএ। অমম্বুং রাকোলগী মৈয়মদা য়ুমজাওকী লাইজিরম থুহুপ য়াথেগী মতমদা শরিখুঙ লৈবনে। অহুদা শরিপুঙ কৌপা লাই লৈবনে। নিংথৌগী শরি কোকফমনে। য়েনকী ঈনা লাংও কৈএ। শরি পুঙকী অরাংলম থুহুপ মরিকী মতমদা শেংলেংপুঙ লৈবনে। ঈনা লাংও কৈএ। অমম্বুং হায়কে সনা শংকাইকী মনাক্তা শাকৈ তরেংমাকী মুক্কম লৈবনে। চেংলৈকী লমদনে। অমম্বুং হায়কে ভিমবী খোং লৈবনে। অমম্বুং হায়কে লৈমুংদবী লৈবনে। অমম্বুং হায়কে হুইপোকপিকী নোংপোক পাংনা থুহুপ মঙাকী মতমদা লাইকম লৈবদো অহুদা হি কৌপা মুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্লে।

মচু ঙাংএ। মমায় কৌপক্ক পাংএ। নিংথৌ মফম শিনগনি হায়রবদা ওক মমৈ তাংবা অমনা লাংও ফৈএ। অমস্তুং হায়কে। শঙকাইকী মথারম খুত্থপ নিকুকী মতমদা লাইফম অমা লৈবদো য়াই কৌপা স্তুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্কে। মমায় মথা পাংএ। মচু ঙাংএ। মফম খুৎনা থিম্না তাকহৈদে। খুম্থ খুংলাইস্তুং থমলিবনে। মমিংদি চিথ্থে বুক্ক কৌএ। ষম্না লাংও। অমস্তুং হাযকে তুবেল রাংমদা শঙক ই পুস্নিবকী মোইরাং পাংলপ খুত্থপ হুমফুত্তরাকী মতমদা লৈবা লাইফমদো য়োয়মোংখকা শোরারেনকা অনি মানা ঙাঙনবা মফমনে। অমস্তুং হায়কে। শঙকাই পুস্নিবকী নোংচুপলম খুত্থপ নিকুকী মতমদা লাইফম লৈবদো চাত্তিংফমনে। অমস্তুং হাযকে লৈচেংপুঙকী মথাবম খুত্থপ কুনকী মতমদা চিথ্থে নোংহুমশঙ লৈবনে। মশক্তি মীকী মশক্কে মমায় মৈরম পাংএ। মচুদি ঙাংএ। মমিংদি চিথ্থেস্তুং কৌএ। থমজিংকোনস্তুং কৌএ। রাংবাবেনস্তুং কৌএ। স্তুঙফম অহুম থারিবনে খঙও। ওক্না ষম্না লাংও ফৈএ।

অমস্তুং হাযকে স্নাথোংনা ত ববকপা মালংচিংকী নাপোমকী হুইথরকপা চৗংমৈদা লৈবা লাইফমদো। লাই পাথঙ থাংজেং কৌএ। থাংলেন য়াশাবনা থোংথিংবা লংকোই মোইশায়ানা থোংলোনবা কৌএ। ওক্না ষম্না লাংও। অমস্তুং হায়কে স্নাথোংকী নোংচুপ্তা লৈবা লাইফমদো লযোল পাং লাইরোংপুঙ কৌএ। অক্সুদা হি কৌপা স্তুঙ অমা লৈপানে। মশক্তি মীকী মশক্কে মমাক্ক মৈরম পাংএ। মমিংদি লৈমরেল নামুংবী কৌএ। এম্না লাংও ফৈএ॥

অমসুং হায়কে নুংশিংপুঙকী নোংপোকলম থুহুপ চামা মনকী মতমদা কোনঙালোক লৈবনে। অমসুং হায়কে। কোনঙালোক্কী নোংচুপ্পা থুহুপ মঙ কী মতমদা শন্দুং খেং লৈবনে। য়াই কৌবা হুঙ অমা লৈবনে। মশাক্তি ঘনকী মশক্কে মচু মুই মমায় চিঙ্খৎ পাংএ। শন্দুংখোংকী নোংপোকলম থুহুপ মরিফুকী মতমদা মংলাঙ ত্তানে অহুদা য়াই কৌপা হুঙ তবেং লৈবনে। মশাক্তি হুইকী মশক্কে। মচুদি মুনা ঙাংএ। ঈবাংতি শাম্বুং ঙাম্বুং খোংদুনা লাংও কৈরেএ। হুই হুই হায়না শোলও। হুই ওইনা খোংবনে। মান্না তোয়না খোংলবদি ণিংথৌ শিএ। অমসুং হায়কে মংন্নাওত্তাকী নোংপোকলম থুহুপ নিফুকী মতমদা লাইফমদো। তরোখোং কৌএ। অহুদা হি কৌপা লাইশক অমা লৈপনে। মমিংদি ঈহো পোপতেক কৌএ। অমসুং হায়কে শায়া মীতুফম। অত্তকী নোংচুপলম থুহুপ কুনহুমদোইকী মতমদা লাইফম অনি লৈবনে অনিমাকী মমিংবু সম্মায়াংলো কৌএ, সম্মা লাংলো কৌএ। অনিম্মা ওক্লা এম্মা লাংও। অনিমাকী মমিংদি লম্বু তুপু কৌএ। মফম অহুবু লমদাইথেন কৌএ। অমসুং হায়কে। লমদাই থেনকী অরাংলম থুহুপ কুনহুমদোইকী মতমদা মরোং খোংনে। মবোং খোংকী অরাংলম থুহুপ তরুকী মতমদা মুক্তা পুঙনে। অহুবু লাইতিন কোন কৌএ। পাংগোং মপাল অম্মা হৌবনে। অমসুং হায়কে। কোলোই লৈংমদা যাই কৌপা হুঙ অনি লৈবনে মশাক্তি অনীকী মশক্কে। মচুদি অমা ঙৌই। অমদি শংপাম্নেএ। মাম্ম-য়োক্লনা লৈবনে। মমিংদি লাইনিংথৌ নোংপোক কৌএ। অমনা

পৃথ্লোগ্গী-কৌএ। মসি ওক্না লাংও। অমসুং হায়কে মনাক্তা হুরক্তী-ইশিংগী কাংথোল লৈবনে। অমসুং হায়কে কৌরলোই লৈমগী থারম-থুরুপ মচাকী মতমদা চয়োম পুঙ লৈরনে। পুঙ-অশুম্বি-শাম-গ্রাগী লাকপানসুং চয়োম থোকএ। তাইবঙদগী কুমথিরনশুং চয়োম থোকরমনে। অদুগী চয়োমপুঙ কৌএ। পুঙথোং মথারমদা লিশিং চাইরবা শিংথাইএ। নোংমা চংথিরবসুং নোংমগী হল্লকপসুং শুরাবগা শোরারেন্দা কথে। অদুগা শোরারেন্না লাইরিক ইএ। অদুগী শোরারেনগী চিংনে। শিংথাকমসুং কৌএ। শিংথাকমগী মথা মরোংথোংগী অরাংলম অনিমাকী মরক্তা পামং মরু লৈবনে। মনাক নক্না পুঙ অমা লৈবদো নিংথৌ য়াংবা পুঙ কৌএ। হল্লক-পুঙসু কৌএ। এমা লাংও।

অমসুং কোলোয় লৈমাকী নোংচুপ্পা অহল্লুপপুঙ লৈবনে। অদুদা পুরৈরোম্বগী নাওকমনে। ওক্না লাংও কৈএ। অমসুং হায়কে মনাক্তা হুঙকাওপুঙ লৈবনে। অদুবু কৌপরু পুঙ কৌএ। ঈরোইবা লাংও কৈএ। অমসুং হায়কে হুঙকাওপুঙগী মথারম তোকপাপুঙ লৈবনে, ওক্না লাংও কৈএ। অমসুং হায়কে মনাক নক্না শরি-পুঙ লৈরনে। অমসুং খওননবা হায়রকে। অহল্লুপ শঙগী চপুক্তা থোংঙাক লৈরগী ফানিকনে, লমথাংনে, থাখুমনে, থাংনপাসে মরিক হুঙগী মশক ওইনা লৈপানে। অমসুং হায়কে। কোলোয় লৈমগী নোংপোকলম থুহুপ নিকুনিথোইগী মতমদা। য়ালেমবীগী মখাক্তা হুঙগী থেংকু ওইনা লৈবনে। অমসুং হায়কে য়াইনম পুঙগী মোইরাংলম থুহুপ তরুগী মতমদা লাইকোকপাং লৈবনে। লাইকোক

পাৎকী নোংচুপলম খুত্থুপ চামকী মতমদা কোংবা শোইনে। শোই-বুঙ লৈবনে। অমসুং শোইবুঙকী নোংপোক লম খুত্থুপ কুনকী মতমদা সুঙদো থাকেম্বা সুঙপাকথা মুংয়াম্বা সুংশাংথা কৌএ। অমসুং হায়কে কোলোয় লৈমকী অরাং কৌপরু পাংবদা কাকয়েনকী মরু লৈবনে। খোং অমনা লাইচৎলম কৌএ। অমসুং হায়কে লাইখোংনে। লাইখোংকী মনাক্তা লমফেলমরু লৈবনে। অমসুং লমফেল মরুকী নোংপোক্তা পুরুম নাকাচৎলম লৈপনে। অমসুং হায়কে চকপা পুমশাইখোং লৈবনে। অমসুং ঈরাং মাদি য়ুকৌথেল কৌপা লৈবনে। থৌনিপুঙ লৈবনে। ওক্লা নিও পুন্সিএ। অমসুং থৌনিপুঙকী মথা পাংনা স্না শঙকাই লৈবনে। মনাক্তা সুঙপুঙ খোং লৈবনে। অমসুং স্না শঙকাইদো নিংথৌ পানবা মরিফু মাপনকী খলোং লৈবনি। অমসুং নাপংখোং লৈবনে। অমসুং নাভাপুং লৈবনে। অমসুং হায়কে মথাথংবদা কোম্বা য়াইথাপুঙ লৈবনে। অমসুং লাই থারম লৈবনে। অমসুং হায়কে পাঙ্গল-বকী নাউফম লৈবনে ওক্লা লাংও কৈএ। অমসুং হায়কে য়াইঙং ইংখোল লৈবনে। অমসুং য়াইঙং ইংখোলকী নোংপোকলমদা য়াং-কংপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে মথাদা লৌশিং থোক্লবা পুঙ লৈবনে। অমসুং লাইকোক পুঙ লৈবনে। অমসুং অরাংদা সোনাইপুঙ লৈবনে। অনসুং হায়কে লোক্তাক মরু লৈবনে। অমসুং খা পাংবদা লাইথুং খোংকী মথা পাংবদা খংনপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে হেন্নপুঙ লৈবনে। অমসুং লাইখোং লৈবনে। অমসুং ফিগুখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে মুরাপাৎ লৈবনে।

নুংলোন

অমসুং হায়কে কোংঙা পাং লৈবনে। অমসুং হায়কে মরোংখোং লৈবনে। মসিদি লম মথক্তা লৈবা লাইফমনে। পাংকী মখৈ খৈয়োম য়াবনে। ইরাংতী ঈরোইনা, ওক্রা, য়েম্না লাংলো ফৈয়ে। অমসুং খঙনবা হায়কে। রাংগোলকী নোংচুপ্তা রাখৈপুঙ লৈবনে। য়েম্না লাংলো। অমসুং হাযকে র'ত্তেমখোং লৈবনে। খুনুনা লাংলো। অমসুং হায়কে শাপোকপী লৈবনে। অমসুং হায়কে কুমদমপুঙ লৈবনে। ওক্রা ল'ংলো। অমসুং হায়কে মীকোৎথেল লৈবনে। হোৌদোংনা লাংলো। অমসুং হাযকে তারনপুঙ লৈবনে। য়েম্না লাংলো। অমসুং হাযকে নোংচুখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে মংদাইপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে লোক্লাওপুঙ লৈবনে। হি কৌবা মুঙ অমা লৈবনে, মশক্তি লাইশক্লে, ওক্রা লাংলো। লম মথক্তীদি অসিনা খৈরে।

লোনলোইগী খঙনবা হাযরক্কে। লাল্লুথেন লৈবনে। লাল্লুথেনকী নোংচুপ্তা মংলেপ্পুঙ লৈবনে। মংলেপ্পুঙকী মোইরাং পাংবদা নোংখামপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে নোংশাপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে নোংশাপুঙ চা অরা দা শারি পুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে শঙ্গাই পুন্সিবকী নোংপোকলম পোক্তপুঙ লৈবনে। মনাক্তা চাবোক পুঙ লৈবনে। চাবোক পুঙকী মখাদা তুখোং নিংথৌ লৈবনে। তুখোং নিংথৌকী নোংপোক্তা ফৈদোম মাপল লৈবনে। লৈপাক পানবা মাপলকী নাওফম লৈবনে। অমসুং হায়কে কোংবা মৈলোম্পী লৈবদো, হি কৌবা মুঙ অমা লৈবদো অত্নদি লাইনিংথৌ পাখংবকী লাইফমনে, ওক্রা লাংলো। অমসুং হায়কে মৈরম চিথেক্তা

য়াইঙং ইংখোল লৈবনে। অমসুং হায়কে য়াইঙং ইংখোলকী নোংচুপ্তা য়াকৈপান লৈবনে। অমসুং হায়কে পুকচাউখোং লৈবনে। অমসুং লিকচাওখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে শজিবী খোং লৈবনে। মখোয় অসিদি যেন্না লাংলো। অমসুং মংখোংতোং লৈবনে। মংখোংতোংকী অরাংদা হুক্রাম মরু লৈবনে। অমসুং পুমলেন মরু লৈবনে য়েন্না লাংলো। অমসুং হাযকে শঙ্গাই পুন্সিবকী মোইরাং পাংবা লমদা তুরেল মপান্দা কমশাওপুঙ লৈবনে। অমসুং কমশাওপুঙকী অরাংদা থা হুং লৈবনে। অমসুং হাযকে মোইপোকপী লৈবনে। মনাক্তা তিনপোকপী লৈবনে য়েন্না লাংলো। অমসুং হায়কে মাইবা শঙকী নোংচুপ্তা কোকলেন লৈমনে অমসুং হায়কে মখাদা হায়নপুঙ লৈবনে। অমসুং হায়কে শাংনপুঙ লৈবনে অনিমক ওক্না লাংলো। স্নাখোংদা তারকপা তুরেলকী নোংচুপ্তা মাইতাখোং লৈবনে। অমসুং মনাক্তা চিনফুখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে য়াই কৈথেল লৈবনে। অমসুং হায়কে তোইবী লৈমা পাং লৈবনে। অমসুং হায়কে তিন্নপুঙ লৈবনে। অমসুং পিনাথেল লৈবনে। অমসুং নুংশিং পুঙকী মোইরাং চিথেক্তা য়াথৈপুঙ লৈবনে। অসি খৈবীক য়েন্না লাংলো।

অমসুং খঙনবা হায়বকে চাউত্রীপুঙকী নোংচুপ মোইরাং পাংবা লম্নপুঙ অমা লৈবদো লুরাং পুঙ কোয়ে। অহুদা লুরাংগী নাউযম লৈবনে। থাংকম পাংকী মনাক্তা লাইফম লৈবদো অহুদা হি কোবা হুঙ অমা লৈবনে, মশক্তি লাইশঙ্কে, মচদি নাপুনে মমায় মোইরাং পাংঙে। মমিংদি লৈহুং হিকাপ্পী কোয়ে, ওক্না লাংলো।

ফৈয়ে। অমসুং হায়কে নাহারুপপুঙ লৈরনে। অমসুং মনাক্তা ঙুঙ-গাওপুঙ লৈবনে। রাংব্রেনকী নাওফম লৈবনে। অমসুং হায়কে নোংগাওখোংকী নোংচুপ্তা খাখোং লৈবনে। মনাক্তা থুপখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে থুপখোংকী অরাংদা য়েনগাও পুঙ লৈবনে। মনাক্তা কাংপোকপী কৌবা লৈবনে। অমসুং হায়কে চৈরাপকী নোংপোক খাগেম্বা পুঙকী মৈরম খা পাংনা খুত্থুপ তরুক্কী মতমদা চাককোলবা লৈবনে। অমসুং খঙনবা হায়কে। কোংবাশোইকী নোংচুপ কৌক্রু পাংনা খুত্থুপ চামা য়াঙ্খৈকী মতমদা কাংপোকপী লৈবনে। অত্থুদা হি কৌবা ঙুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি ঙৌয়ে, মমায় নোংচুপ পাংই ওক্লা লাংলো। মীবু ঙমএ। ঙাওরোইনাইনে। অমসুং হায়কে খ ই মরকসিদা য়াই কৌবা ঙুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে, মমিংদি খাইলাকপা কৌএ। অমসুং হায়কে য়াইস্কুল মরকসিদা য়াই কৌবা ঙুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি লাইশক্লে, মমিংদি য়াইসকুল লাকপা কৌয়ে। রাংখৈ মরকসিদা হি কৌবা ঙুঙ অমা লৈবনে, মশক্তি লাইশক্লে, মমিংদি রাংখৈলাকপা কৌয়ে। অমসুং হায়কে খূরাই মরক অসিদা হি কৌবা ঙুঙ অমা লৈবনে, মশক্তি লাইশক্লে, মমিংদি খূরাইলাকপা কৌএ। অসি লৈবগী লৈকাই মরিমা ওইএ। য়াইমরু, হিমরু মরিমা কৌবদি অসিনে খঙও।

হৌজিক্তি ময়ায়পুংকী অখৈববু হায়রক্লে। নোংক্লম শঙকী নোংপোক্তা খুত্থুপ তরেৎকী মতমদা শুরাপাউদাপুং কৌবা লৈবনে। অমসুং হায়কে, ঙাহোংপুং মনাক্তা ফানশংখোং লৈবনে অমসুং

হাযকে, শঙ্গাইকী মৈরম খুত্নপ মঙাকী মতমদা অহনবা শঙফম লৈবনে। অমস্তুং মনাক নোংপোক লম খুত্নপ অহুমকী মতমদা মঙ্গলশঙ লৈবনে। অমস্তুং হাযকে, শঙ অত্নকী মথা তুরেল মপান্দা নাইঙমপাৎ লৈবনে। অত্নকী নোংচুপ লম খুত্নপ তরাকী মতমদা লাইহন ইনা কোনবা গুংশং ঈনা ঙাকপদা মেনচিং কৌবা লৈব ন, য়াই কৌবা তুঙ অমা লৈবনে, মশক্তি লাইশক্লে। মচুদি ঙাংঙ্ন্নৈএ। মনায় খা পাংএ। মমিংদি চীংখৈ মেনচীং লাকপা কৌএ। খুৎশু খুৎলাইগা লোয়ননা লৈবনে, ওক্লা লাংলো, মীবু ঙমএ। অমস্তুং হায়কে, য়ুমজাওকী মনিংকী কাবু নোইখাইপুং কৌএ। অমস্তুং হায়কে য়াওবৈপী মথা পাংনা খুত্নপ অমা মথাইদো তবংচীং লৈবনে। অমস্তুং হায়কে শুমশঙকী মনাক নোংপোক নোংচুপলম খুত্নপ অহুমগী মতমদা কৌনা চীং লৈবনে। লৈমরেন্না কৌফমনে। অমস্তুং খুনথোংযাইকী মথা পাংবদা য়াকাথেন লৈবনে। অমস্তুং যাকাথেনকী নোংচুপ থংবদা নোংদময়াই লৈবনে। অমস্তুং হাযকে, য়ুমজাওগী অরাং পাংবা লম খুত্নপ মঙাগী মতমদা ব্রাংগোল লৈবনে, অত্নদা লাইনিংথৌ পাখংবগী নাওফম লৈবনে। অমস্তুং হায়কে, য়ুমজাও মমাংদা চীংফুথোং পুন্সিথোং অনিমক নক্লনা লৈবনে। অমস্তুং হায়কে পুন্সিথোংকী নোংচুপ লম খুত্নপ তরুকী মতমদা থেংঙাক অশিথেন মকোই তুংঙোন চীং লৈবনে। অমস্তুং হায়কে, চংলময়াংবীকী অরাংথংবদা লৈতুং চকক্রিবা খুংথাংবা লৈবনে। মনাক্তা থৌত্ন তুংশংবগা লাইখুরোনবীগা অনিমা লৈবনে। খমতুং কৌএ। হায়খিবা অসি খবিকপু ওক্লা, ষম্না

লাংপা য়াবনে খঙও। অমসুং হায়কে য়ুমজাওকী খা নোংছমশঙকী মনাক্তা থুরেংপুঙ লৈবনে, নেংহৈদে, মনাক্তা শারোংপুঙ লৈবনে, য়েন্না লাংলো। অমসুং হায়কে, ফাংবৌ লৈবদো পাখংববু তাও-রোইনাইনা চিরক্তা থোংনা ফাওরকএ। অদুকী ফাংলৌ লাইমকোন কৌএ। অমসুং হায়কে, কংখাং ময়া নক্না কুক্ল শিদবা লৈবনে। মখোচদা য়াই কৌবা হুঙ অমা লৈবনে। মশক্তি য়েনকী মশকনে, লৈচেং হোংনা লৈবনে। অমসুং হায়কে কাংমৈপুঙ কৌবা কংলাকী মমাংদা শারাকপাল লৈবনে, করিকী কৌবনো হায়রবদি, থুরোই চাজেল ফাবীবু তোকপনা লাকএ অদুকী শারাকথোং কৌএ। থোং অদুকী লাইজিদা হুইখোং লৈবনে। অমসুং হায়কে রাখাইকোন কৌবনে, করিকী কৌবনো হায়রবদি, হৈরেম কাংহৈহুগা পাম্বোই-বীগা অনিমানা ঙাথিএ, হয়েং অমরা খিংসি হায়না রা খাইদনা খল্লম্মে, অদুকী রাখাইকোন কৌএ। মনাক খা থংবদা য়াংবী পক্না নিংথৌ অমবু হুডনা নন্না থন্নীবনে। অমসুং হায়কে, খোংগী লিচংপু খঙনবা থাইনা হায়রক্কে, পুমখাইখোংদকী অশীবা গুরুনা থোক্লগে নীংথৌনা চিংহু, থমহু, অরৈহু, অহুমহু, তেকহু, তাইহু, তোম্বাংহু, থেরেলোংবম চহু, লাইরেম্মা হেলোই হুরাবা তরেংমাবু খোকহল-লক্লে। মফমদি হুঙপাক অমা পারিবনে। হুঙ অদুগী মখাদা ঈশিং অঙাংবা ফম্বী শেম্লে। অদুগা অশিবা গুরুনা মমিং লাখা অমা পাল্লে, মথুং লিশিং অমা পাল্লে, পাম্বোম লিশিং অমা পাল্লে, মখোঙ লিশিং অমা পাল্লে, অদুবু ঈশিং ওংথি কৌএ। অদুদকী খোং তরেং পোক্লে; খোং মমিংদি, কুমশুখোং, ফিশুখোং, তুম্মুখোং, তাওবী খোং, নোংদম-

খোং, চাবোইখোং, মুবাখোং, খোং তবেৎমানা খাইনা চেল্লীবনে। অমম্বুং হায়কে নোংহুমশঙদা খাখো', ল ই.খাং, মংবাংখোং, অহুমমানা যেল্লীবনে হাযবা খঙও। অহুমমানা খোং মাপল খাইদোকলক্লে। খোং মমিংদি নোংপোক থংবদা লৈপো'খোং কৌনা চংখিতুনা পোং লৈপাক ফাওখিএ, খোংশা অমনা ময় 'খোং কৌনা চংখিতুনা তখেল লৈপাক ফাওখিএ, খো' গম। যামবীখোং কৌনা চংখিতুনা খাকী পাশা লৈপাক ফাওখিএ। খোংশা অমনা লৈহলখোং কৌনা চংখিতুনা থোংজাওদা ফাওবে, অতুদকা চংখিতুনা ক লৈপাক ফাওখিএ। খো'শা অমনা রাকপীখোং কৌনা চংখিতুনা কুশু পাথ্ ল লৈপাক ফাওখিএ, খোং অমনা মাব'খেং কৌনা চংখিতুনা মোক লৈপাক ফাওখিএ। খোং অমনা তু খাং নো'থৌ কৌনা চংখিতুনা ল কা লৈপাক ফাওখিএ। খোং অমনা তি'ব খো' কৌনা চংখিতুনা তেখাউ লৈপাক ফাওখিএ। খো'শ অমনা খোংংাম্বী কৌনা চংখিতুনা তিল্লিপ লৈপাক ফাওখিএ। অম্মুন্না খোং মাপল খাইএ। মফম অতুদা ওন্না যন্না লাৎলো, লৈপাক খুদিংনা লোই হাবৈএ খঙও। খোং মাপল অসিনা উমংলাই মাপল পোকএ। উমংলাই মাপল মাকী মমিংদি — মুরাকোন্নে, চাখাকোন্নে, মো'বা কোন্নে, য়ুমওই কোন্নে, তাউথিং কোন্নে, যোইহৈ কোন্নে, নাউখং কোন্নে, তিনশি কোন্নে, লৈতোল কোন্নে, মাপলমা অসিনা উমংলাই মাপল মানে, অসিদি যন্না লাৎকদবনে। নপুথৌ পুবৈলোম্বু, কুমজা খুদিংদা ইবাত্তি অকুবা রানে। লৈংথোং লৈবা চেৎপানে, নিংথৌ পুনশিএ, অসিবু তাববদা নত্তবা রানে হাযনা মবুক্তা লৌদ্রবদি

লাইথোং খুদিং লাত্রবদি পাখংবকী থাংদা চঙভো নিংথৌনা খঙলবস্নু ভৌত্রবদি ইপুথৌ পাখংবকী মকোক চাবা ওইসন্নু। ইপুথৌকী চাকচাবু পীত্রবদি খাকেম্বা ঐকা শাপা থাংদা চঙবা ওংসনো, হায়না লাইনিংথৌ খাকেম্বনা কুচুদা ফম্না চৈরম্মে। অমস্নুং লাইরিক নংদি লাইওইরো হায়রম্মে, অতুডৈকী মখে পাইরবনে, লাইরিক অসি ফংবা হে গুরুও ঈ মরম তরেংনা ঈরাংলো, লাত্রবদি নং মাংগদবনি, মমিং শোনবদি ঙাহিংবা মীহিংহুক মীরাংপা মীহিং থারা লাকপা ঙে ঙে হিংকাতা মীথকপা মীহিংলেন মীরাংপা হো হুক কৌএ। তাওরোইনাই মমিংনে, লাইরেনশঙতি লি হুক কৌএ, খঙও খৈরে।

হৌজিক্তি লৈমরেন শিদবীনা মচা লাইরেম্মা তরেংমা পোকএ। তরেং মানা হুংবি থুম:থাং পোকপকী রাবু হ য়কে। হুংবি তরেং মানা পাখংবকী থুম ওইরে। থুমঘোংনা লৈবা মফম হায়কে, তোরৈকীদি মখা, য়াওরৈকীদি অরাংথংবা শুমশঙকীদি নোংচুপ পাংবা, থুমকাংকীদি নোপোক পাংবা অতুদা পাখংবা খোং তরেংমাদি অতুদা লৈবনে। মশক্তি হুংমুকী মশক্লে, তরেং মাকী মচুদি শালাই তরেং মাকী মচু লৌএ, মাকী ইরাত্তি, হি-য়াই, ওক, য়েন, ষন অসিনা লাংলো, থুম হোংঙে। তরেং মাকী মমিংদি পিরিংনু, পিয়াইনু, লৈখোমনু, অরৈনু, অহুমনু, হুংমুরেন, হুংলাইরেন কৌএ। তরেং মাকী মমিং অসিনে খঙও। তরেং মানা পোকখিবা হায়কে, থমচিংকোনকী থুফমদা খোং অমা পোকএ, মশক্তি থেঙ্গুকী মশক্লে, মচু ভাংএ, মমিংদি হুংশু কৌএ, মানা মথং পোকপদি শিখোং পোকএ। শিখোংনা মৈরমকী খেং য়াম পোকএ। খোং অমনা পোকপদি, চাউব্রিপুঙদা খোঙ অমা পোকএ, মশক্তি শজিকী থুজিগুমলে। মচু ভাংএ, শজিলিং কৌএ, মানা পোকপদি থাংজিংকী খোং অয়াম্বা পোকএ, অমনা পোকপদি হুংজেংকী মখাখংবা মরোংখোংকী অরাংথংবা মরক্তা লৈবনে, মশক্তি য়াংকোক্লুম কোইএ। মচুদি ভৌথাংনৈএ

মমিংদি হুংশান কৌএ, মানা পোকপদি কৌক্রুকী খোং অয়াম্বা পোকএ খঙও। অমনা পোকপদি খুগাক দি বাংমা কৌক্রু মথা মরক্তা খোং অমা লৈবনে, মশক্তি খুজিনগুম কোইএ, মচুদি লৈচেং মানবনে মমিংদি হুংলাং খাম্বা কৌএ। মানা পোকপদি চৌংখেকী খোং অয়াম্বা পোকএ খঙও। অমনা পোকপদি নোংপোকী শাহোংপুঙদা খোং অমা লৈবনে, মশক্তি থমচেৎকী মশক্রু, মচুদি লৈগুম ঙাংএ। মমিংদি হুংথং কৌএ। মানা পোকপদি নোংপোক থুনখোং অযাম্বা পোকএ খঙও। অমনা পোকপদি তেনগৈ খাক মৈবম পাংলপ্পা খোং অমা লৈবনে, মশক্তি শামু কুনগুমলে। মচুদি উকুল মচুনে মমিংদি হুংভাবালোং কৌএ। মানা পোকপদি মখ কা খোং অয়াম্বা পোকএ খঙও। অনদি লাইতিনকোন্দ থুমখোং অমা লবনে, মশক্তি হুঙখুনে, মচুদি লৈচিন্নে, মমিংদি হুংফোনগ্ন কৌএ। খুতুপ মঙা লুনা লৈবনে। অমনা পোকপদি খুরাই তাখোমংঙ খুমখোং অমা লৈবনে, মশক্তি রাংশ কা মওংনে, মমিংদি হুংখুরাইলেন কৌএ, খুতুপ তরুক লুনা লৈবনে। মানা নোংচুপকী খোং অযাম্বা পোকএ। লাইতিন খেংনা লাংগোলকী খোং মাপল পোকএ। লুরাংকী খোংনে, অসাই মমাংদা হাযখিবা খোং তরেৎমাদকী য়াওবৈপাংবা লৈবা নোংপোক পাংতংকা খোং অতুদি পাখংবনা পুবৈলোম্বদা খাইখিবনে খঙও, খোংকা রাদি অসিনা খৈরে খঙও।

ঙাইহাক্কি অমিবু লুনা তৌও, হে মঁ ওইবা খঙও, চেৎনা তৌও, লাইরিক অসিদা ইরম্বা নুংলোন কৌবা অসিনা লোইরে।

লোইরবা।